
খন্নশি নৈনশি

লৈশৎপা পুয়া



অইবা ঃ

এল মংলেম মৈতৈ

.হরেঞ্জম ঔরাং লৈকাই, মেকোলা

খন্নশি নৈনশি

লৈশংপা পুয়া

অইবা ঃ

এল মংলেম মৈতৈ


লাইরেঞ্জম ঔরাং লৈকাই, মেকোলা



রাইর্তস ক্লব মণিপুর,

নম্বোল

KHANNASI NEINASI



Published by . **Lairenjam Chanu Panthoibi**
Lairenjam Awang Leikai, Mekola
For Writer's Club Manipur, Nambol

লাইরিক অসিবু ফংহনবিরম্বা ঃ
চান্নবম বিরহরি মৈতৈ
উরিবোক খোইস্নাম লৈকাই, ইম্ফাল

অইবা ঃ
অলঃ মঙ্গলেম মৈতৈ
লাইরেঞ্জম অৱাং লৈকাই, মেকোলা

লাইরিক অশিবু ফংহনবিরকপা
চান্নবম বিরহরি
উরিবোক খোইস্নাম লৈকাই, ইম্ফাল।

ফোংদোকপা চহি খৃষ্টাব্দ ২০১১, নোংদাল্লাই চহি ২০০৪
শকাব্দ ১৯৩২
লাইরিক মশিং ৩০০/-

মমল ঃ ৯০/-
ফংফম ঃ অইবগী য়ুম

নম্ফম ঃ এমঃ কেঃ প্রেস নম্বোল

য়াহৌদোক

লৈবাক অশিদা লৈরিবা য়েক ৭ শলাই ৯ হাইনা খাইদুনা লৈনরিবা ঐখোইশে কদাইদগী লাকপনো কনাগী মচা মশুনো হাইবশি খংফম থোকই। মদু খংদবা মশক অদুদি মপা মপু মশক খংদবনি হাইবদা থোইনা লাল্লোই। ঐ ঐনা লৈরিবা য়ুম কৈই শাদুনা লৈনরিবা মফম অশিগী মমিং করি কৌবগে অদুগা পোক্লরিবা য়ুম্নাক অশিনা কনানা থোল্লম্বনো থিফম থোকই। লমদগী মানা মনা পোকনরিবা অদুনা লৈরিবা লৈবাক অদুনা করি মমিং কৌবগে, করি মখমদগী মমিং অদুবু খংনখিবনো হাইবশি থিফম থোকই। মতম মতমগী মহোসবা লাকপদগী নক্রা থৌদোক ১দগী লৈবাক অদুগী মিং হোংবা য়াই, এদু ফাওবদা হেংংখিবগী মরম খঙ্গদবনি খুদম ওইনা হাইরবদা ইহান হান্না এখোইনা লৈরিবা লৈবাক অশি হৌলম্মহানবা কংলৈ পুং মায়োন কৌরম্মী, মখা চক্তা কংলৈ সনা পুংমায়োন কৌই। খুন্নচক্তা কুরুম সনা পুংমায়োন কৌই, লাংবা চক্তা মনিকপুবা কৌই হৌজিকনা মনিপুর হাইনা খংনরে। মরমশিং অশি করম্না ওন ওন্দুনা কৌখ্রিবনো হাইবগী খন্ন নৈননবা পুথোকচবনি। করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা মিরৈবাক মচা লাকখিবগে মখোইনা করি করি পুশিল্লকপা অদুগা করি করি পুথোকখিবা মরমদুবু খন্নশি হাইবগী পুথোকচবনি।

চৈচৎ ১-১-২০০৪

এলঃ মংলেম মৈতৈ

ঐখোয়শি কদাইদগী লাকপনো?

অইবাঃ

এলঃ মংলেম মৈতৈ
লাইরেঞ্জম ঔবাং লৈকাই,
মেকোলা

য়াওফম তাকপা

মনুংগী লমায়শিং তাকপা

ফিবম		লামায়

খঙ্গদবা ঃ লাইরিক অশিদ

১। লৈশৎপা পুয়াগী মরম
মীরৈবাক মচানা লৈবাক অশিগী নিংথৌ ওইখিব্রা ওইখিদবরা?

২। মৈতৈ পাঙল খম্বোক্লোন,
লমলম্বু কোনবা লাই

৩। বামোন খুম্বোক্লোন

৪। চৈরাওবা, চহি হৌব মরম মরিশি য়াওরিবসি নৈনবিয়ু।

ঐখোইশি কদাইদগী লাকপনো?

উংলৌ য়াইবিরেন শিদবনা = নোংদম্বনা শলাইলেন অমম্বা = অতিয়া শিদবা, ইখৈরেল লাইওইবী = লৈমরেন শিদবী পুথোকই। অতিয়ানা লাইমিংথোইগা কোঞ্জল তুথোকপগা পুথোকই। লৈমরেন্না নুপীগী কাংলুপ মখৈ পুথোকই।

লাইমিংথোইনা খুৎনা মেত্তুনা নমু মিতম ৭পু পুথোকই। মদুদি ১। অঙ্কহং, ২। নং, ৩। সং, ৪। কোং, ৫। হুং, ৬। উং, ৭। ঙা, ৭ অসিনা মঙাং, অঙোম, লুরাং খুমন, মোইরাং, খাবা, ঙানবা ওইখি, শুদবা য়াদবদগী শরাং লৈশাং, চেংলৈ অণ্ডম্না ৯ শুনা থমখি। অহানবা শেম্বা অদুদি পাখংবনা হৃদুনা পুখ্রগা খেঙগ্র‑ম চীংদা কৌব্র‑ লাইলোংবা কৌনা থমখি। মানা কৌনু লৌদুনা লোইয়াম্নাকপা পোক্নুনা চারি শমথখি।

২শুবা শাবা অদুনা হৌজিক অঙোম য়েক ওইনা লৈরিবা অশিনি। খুৎনা মেত্তুনা শাবা ইঙৌরাবা পৌপ্র‑লেন্না হয়িচক্তা পাল্লে। হয়াচক্তা তুবি চিরিক চিরোংবা কৌনা শান্নে। অমুক কুপত্রেং কৌনা পোক্নুনা মচা রাবা চেংঙা কৌনা পোক্নুনা হয়াচকপু পন্দোম লোমখি। খুন্ন চক্তা ময়ুম লোইদাম থাজ য়ুমদাবা কৌনা লৈখি। লাংবা চক্তা পুরিংলেনবু কৌথোক্নুনা লাংবচক্কি কুমশিং ৩১০৮গী ইঙা থাগী ১৫নি পানবা শগোলশেন্দা নোংদালাই কৌনা পাখংবনা শাফোংবিবা কংলৈ পিবাবু ঈহৈবদা চিংবাংলক্কি পুরৈলোম্বা কৌনা শাফোংখিদো। পুরৈরোম্বনা নুপী অহুম হাওনিংশু নুরৈশংবী, উয়েল লাংমৈ থাঙ্গংশু, লিক্লা পিচা নোংদমনুগা পান্নদুনা নুপী অহন্না হঙ্গোল্লাংনা থাবা পোকই। মানা পিথেৎ লৈমা পান্নদুনা খাংঅহন, খাংয়াইমা, খমনুং ইরাই থংবা, অহোং খমশা, তোনতৌ, চিংরাংবা, ওন্দে খুন্দানবা পোকই।

থাঙ্গংশুনা লান্থবা ফৌদাংশু, ফৌদাংশুনা তেংলৈশি লান্থবা, তেংলৈশিনা থাঞ্জাই ইরান্থবা, থাংবাইনা পুরান্থবা, পুরান্থবনা হিখাম্বা, হিখাম্বনা চরন ফাবা, চরন ফাবনা, ক্বাকপা থরান থাবা। ক্বাকপনা কাওশোম্বা, কাওশোম্বনা কম্বোং ফাবাগা খোংচোম্বগা পোকই। কম্বোংফাবনা পানশা ঙম্বা, পানশাঙম্বনা ক্রম্বা, ক্র‑ম্বনা লাল্লোই ঙম্ব, লাল্লোই ঙম্বনা লমহাংঙম্বা, লনহাংঙম্বনা মরিং ঙম্বা, মরিং ঙম্বনা তাংখুল ঙম্বা, তাংখুল ঙম্বনা লমথেংঙম্বা, লমথেংঙম্বনা কোলখোম্বা= লাইখোম্বা, লাইখোম্বনা নুংশেংঙম্বা পোকই। অসিদগী অঙোমগী য়ুমদবা হৌখ্রে।

ঐথোয়সি কদাইদগী লাকপনো - ২

৩শুবা খুৎনা মেত্তুনা শাবা কোঞ্জিল্লাংকনা হয়িচক্তা আঙাংবরেন কৌরে। হয়াচক্তা আংবরেল কৌনা লৈরম্মি। খুন্নচক্তা মফম খুদিং কোইজাইনা ত্তুবি হন্থবা কৌনা লৈর-ই। লাংবচক্তা পিয়াইনুনা থবাক্লেনগা পোইরৈতোনগা পোকই। পোইরৈতোন্না লৈনাও তাবী পান্নদুনা শিদপুং পোকই। শিদপুংনা পুনেম্বা চনু পান্নদুনা অরোংগ, পশিঙ্গ পোকই। অরোংনা খুমন ওইম্মি। পশিংনা হুইমু লৈমা পান্নদুনা খুম্ছিবা পোকই। খুম্ছিবনা থ্বাই পিচা খোংজোম ধনুবী অন্তোনবী পান্নদুনা মচা কৌত্রুক্ক সেকনাইবগা পোকই। মত্তুংদা কৌববেল নাম্মাইনু পান্নদুনা পুঙ্গিবা পোকই। পুঙ্গিবা নুপী ৯ পান্নদুনা ১। ইরেং নাওশংখু, ২। তাইতোন লৈমা, ৩। য়ুশি লৈমা, ৪। হাওকুপা লৈমা, ৫। ঙানুবোল থোংঙইবা চনু, ৬। হাওশিয়াং পুয়াংশাচনু, ৭। ঙানুরোল খুৎযাই চেংবী, ৮। কৌরৈলশংবী ৯ ঙানু [illegible] লৌই [illegible] মচা মশুনা [illegible] শজাত্তি [illegible]

[illegible] খুৎনা মেত্তুনা শাবো [illegible] পালি। হয়াচক্তা কংদিরোং [illegible] খুনচকপা। [illegible] পিয়াইনুনা থবাবেনগা পোইথেতোন [illegible] কই। অরোংনা তুমতাবা [illegible] য়াইবাংপোক [illegible] পোকই। পোইরুংপোক [illegible] পোকই। [illegible] নবা, [illegible] বনা খোমা নিংথৌবা পোকই। [illegible] পুঙ্গি য়ুমোইবা, পুঙ্গি য়ুমোইবনা শেম্বা, যোইথোংঙাই পোক্কলা [illegible] ইবু শম্দোকখি।

৫শুবা খুৎনা মেত্তুনা শাবা মশেং এবং কৌদুনা [illegible] চক্তা পোরোং খোকহইবা কৌনা পাল্লি। হয়াচক্তা বোংমুবাও কৌই। খুন্ন চক্তা তুবি লাংগুন শন্নদুনা লৈখি। লাংবাচক্তা য়ুচেং কৌনা পাল্লে। য়ুচেংনা সন খিং খিং শানবা, খিংখং ঙানবনা হেগুক চিংঙাং চেংনৌ লৈতকপা, চেংনৌ [illegible] ঙাংলেনহন ঙাংলেনহন্না ঙাংনিংশঙ্গ ঙাংহুছোক্ক পোক্লে অশুন্না মচা মশুনা মোইবাং শলাইগী য়ুমদাবা শম্দোকখি।

৬শুবা খুৎনা মেত্তুনা ২না ফাইরোক্কি [illegible] শেক ওইনা চাওবুংলেন অমনা তাওবুংলেন [illegible]। হয়াচক্তা তেদে ঙাংবা কৌই চাওবুং লেন্না হোং অশনবা কৌই। চাওবুংলেন [illegible] লৈথমলোন কৌনা খানা য়ুপুরোই পোকই।

য়ুপুরোইনা তরুম কোইবা পোকই। তরুম কোইবনা খাবা নিংথৌবগা খাবা ফান্দোংবগা ২মা পোকই। ফান্দোংবনা নিংথৌবা পোকই। নিংথৌবনা য়ুঙানবা পোকই। য়ুঙানবনা তোংবা পোকই। তোংবনা খাবা পোকই। খাবনা লৈনিংথৌরা পোকই। লৈনিংথৌরানা খোমদাং পোকই। খোমদাংনা খুনচিরা পোকই। খুনচিবানা শেংবাই লান্থবা পোকই। লান্থবানা য়োংঙানবা পোকই। য়োংঙানবনা লৈখোদান রাকপগা ইচাওবগা ২মা পোকই। রাকপনা লৈরাই নিংথৌগা খাবা হুইতোম্বগা খাবুম লৈখাম্বগা ৩ পোকই। খাবা হুইতোম্বনা খাবা নুংঙানবা পোকই। খাবা নুংঙানবনা শুরা রাজাম্বা পোকই।

ঙানবগী লৈচিক টীকপনা খমচিক কোলহাইবা পোকই। কোলহাইবনা খানবা পোকই। খানবনা তাখুক লুখোই পোকই। তখুক লুখোইনা তাঙোই নায়াং পোকই। নায়াংনা য়ুকোইয়াং পোকই। য়ুকোই য়াংনা হব্রা পোকই। হব্রানা ঙানবা বায়েংবা পোকই। ঙানবা বায়েংবনা ঙানবা শিরাই কাংবা পোকই। শিবাই কাংবনা হাওবা পোকই। হাওবনা তেকচাহনবগা থাম্বাই ইথিংবগ খোংচাই খোংবাংপাও তোনবগা ৪মা পোকই লাংমাই চনুনা তোনবাখম পোকই।

খুমলৈশাঙ্গানা খুম খুম নিংথৌনা নিংথৌকাবা পোকই। নিংথৌকাবনা নিংথৌ কাংবনা থারোং পোকই। থারোংনা নুংঙৌয়ুমথংবগা লমলেশঙ্গা পোকই। নুংঙৌ য়ুমথংবনা য়ুকাংকৌ পোকই। য়ুকাংকৌনা সোরামতোন পোকই। সোরামতোন্না সোরা পুক্তাং পোকই। সোরা পুক্তাংনা খোংজি নুংনাইবা পোকই। খোংজি নুংনাইবনা নাওরা পাঙ্গনবা পোকই। খোংজি নুংনাইবনা তাওবুং খোংদৌবা পোকই। খোংদৌবনা পাখং অহনবা য়ুনাওরোই য়াইমগা কামু তোম্বগা অহুম পোক্তুনা খাবা, ঙানবা, শরাংলৈশাং শলাইগী য়ুমনাক শন্দোকখি।

চেংলৈগী খুম খুম নিংথৌনা নিংথৌকাবা = নিংথৌ কাংবা পোকই। নিংথৌ কাবনা থারোং পোকই। থারোংনা লমলেশঙ্গ নুংঙৌ য়ুমথংবগা লোকপগা লোকপা অতোনবগা পোকই। লমলেশংনা চিংদা কাদুনা তাংখমগা কমবোংবগা, চোংখাম্বগা মরিং লাংশম্বগা হোংশাম্বগা ৫ পোক্তুনা চিঙ্গী ইচিন ইনাও শন্দোকখি।

১বা খুৎনা মেত্তুনা শাবদি লাইলোংবা কৌনা লৈখ্রে মহুৎ কোনজনতথোকপনা শিল্লে। হয়চক্তা পাংবনা পবে। হয়চক্তা শেন্দ্রেঙ্গ কুপত্রেঙ্গ পোকই। শেন্দ্রেংনা লৈনুং খোম্মা পোকই। খুন্ন-চক্রা তবং লৈস্না লৈতোনশিনা লৈবাক ঙাক্তুনা মাগী

চাদনা লৈঙাক লৈপুখি। লাংবচক্তা নোংদালাইনা খুইয়োই তোম্বা, খুইয়োইনা য়োইমোংবা, তাওথিংমাং, তাওথিং মাংনা খোইনিংঙোম্ব, খোইনিংঙোম্বনা পেংশিবা, পেংশিবনা কাওখম্বা, মথংদা নাওখম্বনা পুরে নাওখম্বনা নাওফংবা মথংদা শমৈরাং পোক্লুনা লৈবাক অশি শরক শিদনা পাল্লকপা লৈবাক্নি।

লৈবাক অসিগী য়াল্লা কৌনরম্বা মিং

১। অহানবদা হয়ম লাইশোন্নরিঙৈদা হৌ লম্মহানবা = হৌ লম্মহনবা কংলৈ পুংমাইয়োন কৌরম্মি। য়েক ৭ শিগী মাগী মাগী হৌ অমমম পীদুনা লৈহনখি। মদুদি

১। মঙাং অঙ্কহঙ্গীনা - হৌ কংলৈ লম্মহনবা পীরে।

২। লুরাং সংগীনা - হৌ থাঙ্গ্রাই লম্মহনবা,

কংলৈ থৌকানবনা হৌলোল্লোই লম্মহনবা পীরে।

৩। খুমন কোংগীনা - হৌ লাংলোই লম্মহনবা,

কংলৈ থৌকানবনা হৌলালোই লম্মহনবা পীরে।

৪। মোইরাং চুঙ্গীনা - হৌ কেগে লম্মহনবা,

কংলৈ থৌকানবনা হৌ ঙাংঙোই লম্মহনবা পীরে।

৫। অঙোম নঙ্গীনা - হৌ থ্রাইরং লম্মহনবা,

কংলৈ থৌকানবনা হৌ শেলোই লম্মহনবা পীরে।

৬। খাব-ঙানবা - উংঙাগীনা হৌশেলোই লম্মহনববু পীরে।

২শুবদা হয়িচক্কী মতমদা নোংচুপ লোক্লৌকোন্দা পানবা কোংটিংলেনগী মচানুপী সনালেম্বীবু লৈনুংতাংগ্র॰ হঞ্জবনা লৌঙৈদা অমুক খাইনবা মতাংদা কোংটিংলেন্না মচাবু থাজবদা ঙম্মোইদৌবা থবকপু থৌপু হাইরকপগী লমন শিংবা ওইনা মালেমদশু তাদবা কোরৌদশু কাদবা নোংলোন্দা য়াংলৌ লম্বী অমা শেমদুনা চৎহনখি হাইবগী লৈবাক অশিগী মমিংবু হৌ লম্মহনবা কংলৈ সনা পুংমাইয়োন হাইনা কৌখি।

৩শুবদা তাংঙা লাংওন পাখংবগী মতমদা লৈবাক অশিগী মমিং কুরুম সনা পুংমাইয়োন কৌখি।

৪শুবা খুন্ন চক্তা তরং লৈস্না লৈতোনশিনা হিয়াইবু চাইবদা অহিং নুংথিল নাইদনা ঙান্দুনা লৈখি হাইদুনা হিপু য়াইপুবা - মনিক পুবা লৈবাক হাইনা থোনখি।

হৌজিক হৌজিক মনিপুর হাইনা খংনরিবশিদি মিরৈবাক মচানা ঐখোইগী লৈবাক অশিগী খোঙ্হোক অনেম অরাংবু খংদবদগী মনিকপুবা হাইববু মনিপুর হাইনা কৌনখিবনি। মনুংলোমদগী ব্রহ্মন ৪না মরৈবাক্তা লৈবা ঙক্লদন্না লৈবাক অশিদা লাঙ্জেন্দুনা লাকপদা লান মাংতোক = লান মাংদোং হাইনা খংনরিবা অশিদা মোইরাঙ্গী মী খরদা হংবদা লৈবাকশিগী মমিং হিপু য়াইপুবা মনিকপুবা কৌই হাইববু মনিপুর হাইনা লৌদুনা লৈবাক অশিগী মমিং মনিপুর হাইনা খংখি।

মিরৈবাক্কী মীনা লৈবাক অশিদা চংলকপা হৌব।

১। অহানবদা চিংজেন নাওরা পাঙ্গনবগী মতমদা থোংনাং নিংথৌগী মচানুপী লৈরি লৈশং খোম্বী পান্নদুনা মচা নুপা মোঙ্গেগা, থৈবোঙ্গ থনম্মগা থুপখ্রে। মচা ২না মপাগী পোক্লফম মনিকপুবা লৈবাক অশিদা কালিশা ৪না থিল্লক্লুনা খুগা তুরেন মপান্দা লৈহনখি। মখোই ৪ অদুদি রামানু, বিশমরাম, রামপৃয়া, কৃত্তরাম কৌই। মোঙ্গে থৈবোংনা লৈখিবা মফম্না লমশু য়ুম্নাকশু পোৎশংবম কৌনা লৈখ্রে। অদুগা খৃ ৩৯৮ নোংদালাই কুমশিংনা ৩৯১দা খুগা মপান্দা য়ুম শাদুনা লৈহনখি।

২। অনিশুবদা নাওথিংখোঙ্গী হাক্তক খৃঃ ৬৬৪ নোংদালাই ৬৫৭দা পেতংঙানা থিবা ফংদ্রবদা হৈবোক থরো লোক্তগী খমশুরোন চিংয়াইশুবু লৌই। মতম অশিদা কালিশাশিং ইবেম্মগী অউন্নাই ফুঙ্গ ওইজগে হাইদুনা নাওলা, দোলার, ধোলা মখোই অহুম্নু চংজরকপবু য়াবিদুনা নাওথিংখোংনা অরাংলোমদা হেনবা মচিনশাংদা লৈহল্লে। মখোইগী মচা মশুনা মীয়ান খাংঙবোকতা লৈহনখি।

৩। অহুমশুবা নিংথৌ খোম্বগী হাকতক খৃঃ ১৪৬৭ নোংদালাই কুমশিং ১৪৬০ কাইবিরোল মরু লোইযাম্বগী মতমদা বাপু মপা মচা লাকখি পাংঙনশু লাকখি হাই। বাপু মপা মচানা মখোইনা তাজরকপা রারি কয়া নিংথৌশিগী মফমদা লিখি। থক্তা থোকখিবা অদুগা তুংদা লাকপা য়াবা রারি কয়াবু তাবদগী নিংথৌগী নিংবশু থুংনবা তুংদা মচা মনাও কয়া লাকপনশু খংহৌনবা

লৈশংপা পুয়া কৌনা লৈবাক অশিদা অৰ্জুন লাকই লাক্তে থন্নবা থমখি।

৪। মরি শুবদা ব্রহ্মন কয়া চংলক্লুনা ক্যাম্বা হাক্তক্তা বিষ্ণু লাক্লুনা লৈখি মতম অদুদা লাকপা বাপুশিংদুবু য়ুমদাহন্দুনা বিষ্ণু লাংগমনচিংবা য়ুমদাহন্দুনা লৈহনবা হৌখি। মথংদা খাগেম্বগী মতমদা পাঙন কয়া লাক্লুনা লৈবাক অশিদা লৈবা হৌখি। পাম্হৈবগী মতমদা কিন্নু, কশারি, তেখাওনচিংবা কয়া লাক্লুনা খুন্দাদুনা লৈখি। অদুম্না চংলকপশি চুরাচান্দ নিংথৌ কাওবা চংশিল্লকই। চিন্নবা মরক অশিদা গন্ধরূপ জগোই ইশৈদা য়াম্না চংখোন্না হৈশিংলবা কাংলুপ অমা লৈবাক অশিদা লৈরম্মী। মখোইগী মচা মগু চন্দ্রকপনা চিত্রভানুগী মচানুপী চিত্রাঙ্গদবু অৰ্জুন্না লৌদুনা বভ্রুবহন পোক্লুনা লৈবাক অশিগী নিংথৌ ওইখি হাইবশি শন্নবা অমা চংই।

নিংথৌখোম্বগী মতমদা লাকপা ব্রহ্মন ২গা ক্যাম্বগী মতমদা লাকপা ব্রহ্মন ৪গা ৬ শুরে। মখোইনা শন্না ফম্মগ্না অফ-কন্না নৈনবা মখোইনা হাইবনা অচুম্বনি হাইদুনা লৌননবা ফন্নবা শাবা শঙবু ব্রহ্মন সভা - ব্রহ্ম সভা কৌনা লিংলে। মখোইনা ভক্ত মালা, রাস পঞ্চধ্যায়, বলাদেব তৃথ যাত্রা কৌবা, খুৎইদা ইথোক্লুনা অঙাংশিংবু তম্বী ত়াকপীবা হৌরে। মিরৈবাক্কী ..কপা মীওইশিংনা লৈবাকশিগী নিংথৌগা য়ানরগা শেমখিবা ঙাক্তনি। অদুগুম্বা ..ম কয়াবু নিংথৌখোম্বগী মতমদা মাইচৌ ওইবা কাইবিরোন মক্ক লোইয়াম্বনা ..াম পুয়া, সনা পুয়াদদি মনুং চন্দবা তোঙান্না শস্ত্রক্কগা থম্বীরম্বা পুয়াদগী ই..াকচবনি।

লৈশংপা পুয়া খুন্নচক্কি পরম

হৌ কংলৈ লম্মা হনবা কংলৈস্না পুংমাইয়োন মৈতৈ সনা লৈবাক মনিকপুবা (মনিপুরদা) গন্ধরপা চিত্রকেতুনা লৈঙমখিবা পরম শিন্তাক্লা লৈপানবা মরম্বু মথং লেংনা খঙ্দ্রবা খংনবা তান্ননবা ইবা লাইয়েক্কী পরম পন্দুপ পুয়া।

লোইদাম থাজ পাখংবগী নাওদানা কমদৌনা লৈবাক অসিদা, লৈফম্মী, লোগ্রা মঙানা কমদৌনা লৈঙাক লৈফমুম্মগা করমতৌনা কোরৌহনবা মালেম অঙানবগী (মঙাং য়ুম-অংকহং) ওইখিবা। য়ুম অনি অসি লৈবাক অসিদা মাংদনা লৈমুৎতনা লৈফম থোকপরা থোক্তবরা লৈথিনবা লৈশংপা পুয়ানী। লাংবচক্কী কুমশিং ৪৫৬৮ নোংদালাই পাখংবগী কুমশিং ১৪৬০ চংবা কুমদা

কাইবিরোন মরু লোইয়াম্বনা পঞ্চযুক্তেশ্বর মহারাজ মৈতৈঙু নিংথৌখোম্বগী সনা য়াথং থৌঙম থৌপুনা পিণ্ডম্নে।

হাইবদি - নিংথৌখোম্বনা ফম্বান তোংবা নুমিৎ ফম্বান্দগী কুম্বা মতমদা বাপু মপা মচা ২খক চংলক্লুনা নিংথৌবু খুরুম্নে। খুরুম্বা মতমদা "পঞ্চযুক্তেশ্বর রাজ রাজশ্বর স্না চরন্দা শুরুমজরি" হাইনা খুরুম্মী। মখোইবু কনানো, কদাইদগী লাকপনো হংবদা ঐখোই ২শি হিন্দু জাতিগী মনুংচনবা ব্রহ্মন হাইবা অদুনি, ঐগী নাক্তা লৈরিবা অশি ননাই ইচানি। ঐগী ইমিংনা বিদ্যাগুর বিপুল শর্ম্ম কৌই। ননাই ইচাগী মমিংনা মনিরাম বিদ্যা লংকার কৌই। শ্রীধাম বৃন্দবনগী মনুং রাধা কুঞ্জগী ময়াদা লৈজরম্মী মুশলমানশিংনা ওথৈনবদা থাংবা ঙমদদুনা কোইনা চেন্দুনা লৈবদগী মখোইনা থিবনা হেনজিল্লক্লুনা লৈবাক অসিগী তৃবেনী তৃথ নোংপোক লৈহৌ চীং অসিদা য়ৌরক্লুনা সনা নাক্তা চংজরকপনি। বাপুদুনা মখাতানা লৈবাক অসিনা হৌরকপা রারি কয়া লিদুনা চন্দ্র বংশ সুর্জবংশ মিংহুনবু কক্লুনা খুরুম্বদা নিংথৌনা মপুক্তা য়ানিংখিববু উদুনা থাংহিংজাম্বা, লোইয়াম্বা মরু ২না নৌনা পঞ্চযুক্তো মহারাজ সুর্জবংশগী মৈতৈঙু নিংথৌ খোম্বা হাইনা পুয়াদা মিংলেন তাবা হৌখি। রাফম অসিবু তুঙ্গী মচা মনাওশিংদা খংজহৌনবা শত্তোক্লুনা থনম্বনে। মশিগী মরমদি য়েলহৌঙৈদগী নিংথৌদি অতিয়াদগী পাখংবনি। মথংদা শলাইনা পাল্লে, মথংদা তাওরোইলাইনা পাল্লে, মথংদা উমংলাইনা পাল্লে, মথংদা পাখংবনা হঞ্জিন্না পনবা অহুমকশুবা লাংওন লাংবচক্কী কুমশিং ৩১০৮ চংবদা শাথোকখি। অদুদগীনা নিংথৌরোল ৩৭ ওইরে। মতৌ করম্না চন্দ্রবংশনা লোনজা ৫ পানগদৌরিবা মরম অশি খন্নশি, খন্নৌ নৈন্নৌ হাইবনি।

হরাও তয়াম্বশিবু য়েংনা লৈঙম্লবা অদুদা লৈনুং লোঞ্জা অরিবনা রাখল অমা খলক্লুনা হংঙি। "নখোই অসি কনানো নমিংনা করি কৌবা"? লৈনুং লোঞ্জা ঐ অসি গন্ধরুপ্পা হাইবা কাংবু অদুনি, ঐগী ঈমিং চিত্রাকেতু কৌই, লৈফম অসিগী কুমজা খুদিঙ্গী শান্নরিবা পরম অসি ঐগী পেঞ্জবা নুংঙাইজবা মশক ওইবনা খংজ হৈজনিংদুনা কুমজা খুদিঙ্গী লাক্লুনা য়েংজবনি থৌরম অসিনা মতিক মঙান চাওবনা খংবা হৈবা হেকশু ঙমজদে হরাও তয়াম্বসিদা ইশামক্লা য়াওজবদি নৎতবনিনা, থরাইনা পামজবা থৌরম ওইবনা মতম অসিদা পুরুম লৈপাইজবা লাকচবনি। রাহৈবু তাবদা লৈনুং লোঞ্জানা চিত্রাকেতুনচিংবা লাক্লিবশিংবু হরাও তয়াম্বদুদা য়াওহন্দুনা মখোই খরনা পুংয়ৈবা, তান থাবা, ওইনা য়াওই।

খরা অমনা শরোই শাদম্বা শকোই শাদম্বদা য়াওদুনা কুমজা খুদিঙ্গী থৌপুনা য়াওদুনা তিনশোল লাইশোল পুম্বা হৈঙেম্লে। মদুদা চিত্রাকেতুনা থৌনিয়ে লৈনুং লোঞ্জা অরিবা পরম অসিবু নঙ্গী নথৌজান্দগী খরদি খংজরে থৌরম অসিবু ঐখোই পুম্বনা ইরমলেন্দা থৌকাওদনা কুমজা খুদিঙ্গী থৌকাওদনা হল্লাও তয়াম্না শান্নজবা ওইজরগে হায়না থৌনিরকই।

হাইবদি ঃ খুন্নচক্কী মনুংদা লৈমতাক লোমদগী ঈশিং চেনশিল্লকুনা লৈবাক অসি মী লৈবা য়াদদুনা চীং-মান্দ চেন্নদুনা লৈনখি, খরনা চীং রাংম্বা লান্দুনা মীরমলেন্দা লৈনখি। ঈশিংনা লৈবাক অশিগী মফম কদাই ফাওবা চাওরম্বগে হাইবদা ঈশিংনা চাওরকপদা য়াওরকপা ঙানা ঈশিং কঙ্খ্রবদা ঙারি শাদুনা লৈরম্মী হাইদুনা ঙারিয়ান কৌই হাইবশিনদি অদু ফাওবা চাওবা তাই। অদুগুম্বা ঈচাও অদু খোইয়ুম ইঙৌবনা ঈফাত্নুনা থারোমদা চিথখি। ঈকংলবা মতুংদা চেন্নখিবা মী লাই পুম্নমক হল্লকও হাইনা কৌই। ইঙৌবগা নোংপোক লোইরং পাম্থৌইবীগনা লুচিংঙগা থক্তা শান্নখিবা লাইহরাওবা লিক্লাবু চতি খুদিঙ্গী শান্নে। চৎনখিবা চেন্নখিবা পুম্নমক লাক্লনা কুমৈ অদুবু য়েংলৈ... ...য়েংবা লাই মীনা পেল্লদুনা শিবু থোইনা হবা ... লৈবরা লৈবনি হাইনা হোই ...ওবদা শিজিন্নে। অমরোম্দা লাইহরাওবা অশিদগী হেন্না নুংঙাইবা লৈ ...বনি হাইনবশু য়াওরি. মদুদি লাইহরাওবা লিলা অশি নত্তবা অতোপ্পা মরি লৈ ...বা অমনা হরাওবদগী হেন্না নুংঙাইবা লৈ হাইবদি য়াই লাইহরাওবা মক্তি লৈ ...ত লৈবাক্কগী হেন্না লৈবাক অমদা চোইথোক্কে।

অশুম্না হোই লাওবদুদা লৈনুং লোঞ্জ - অনন্তনা মকোক্কগী হি-য়াইবু চাইবদা অহিং নুংথিন নাইদনা ঙান্দুনা লৈরবদা লৈবাক অশিবু হিপু য়াইপুবা - মনিকপুবা- মনিপুবা (মনি লৈবা লম) হাইনা খংনখি। থৈথরকপনা মনিপুর হাইনখিবনি। হরাওবগী লিলা অশি মীনা মহুৎশিন্না হরাওবা হৈনরবদা লৈবাক অসিগী নিংথৌ লৈনুংলোঞ্জা অরিবদা শিন্নরমগা ইঙৌবা হনখ্রে। লোঞ্জা অরিবনা পাল্লবদা কুমজা খুদিঙ্গী কাইদনা হরাওই মতাং অশিদা গন্ধরপগী কাংলুপ্পী হাইদুনা চিত্রকেতুনা নিরবদা থৌরম অসিদি অতোপ্পা লমদা য়াদে লৈবাক অশিতগী লিলানি হাইদুনা পীদে মাবু নিংথৌ খুবম শিন্নরম্মগা পালহৌই হাইরি। শোমদনা লোঞ্জ অরিবনা পাল্লবা মতুংদা খোইয়ুম হৈনাইবদা নিংথৌ খুবম শিন্নরম্মী হাইরি অপাবনা খন্ন নৈনবিয়ু।

মথংদা থৌরম্বু খঙ্গে হাইদুনা লৈনুং লোঞ্জানা কুমজা ১দি মখোই খিবিকপু লুচিংহন্দুনা তাইবং লৈবা পুম্বগা লোইনদুনা হরাও তয়ামহল্লি। পরম থৌরম্বু উবদা লৈনুং লোঞ্জানা খল্লে, পরম থৌরম অশিদি লৈবাক অশিগীদমকনি করমনা মীরমলেন্দা পিখিনী মনুং মতম নত্তনা অদুবু চিত্রাকেতু অশিনদি হৈঙমখ্রবনিনা মানা মরমলেন্দা হনগ্রবদি পরম অশি লৈশনখিবা তারে করম তৌশিবা রাখল্লকলে। মহাক অশিনা মফম অশিদা লৈরবদি পরম থৌরম লিকশা খোইশা, লিফালিপুন ফকশা অশি মফম অশিদা লৈথুপ্লা থম্বা ঙমগনি নত্রবদি লৈশনখিদুনা মাংগ্রনি রাখল্লক্কুনা চিত্রকেতুবু লৈফম অশিদা লৈনবা নোংদমলে।

চিত্রকেতু নংনা পরম অসিবু থৌকাওদনা কুমজা খুদিঙ্গী থৌঙম থৌপুবা ওইঙমগে হাইবা অসি ঐগী নুংঙাইবা পরম্বু ওইঙম্মী, নংনা নঙ্গী নফমদা হন্দ্রবগু কংলৈ সনা পুংমাইয়োন মনিপুবা অসিদা লৈঙমজদুনা পরম পুম্ববু থৌকাওদনা থেংপুনা হরাও তয়াম্না শান্নজবা ওইঙমজরো থৌরম অসিদি লৈবাক অসিদা নংনা লৈফম অমদা লৈফোংদুনা শান্নফদে পরম অসিদি নোংলোন্দগী লৈপুরক্কুনা লৈয়াইলেন্দা লৈফম্বু লৈথিনা লৈথম্লিবা পরম্নি, পরম অশিবু লিকশা ফকশা লৈশুনা লৈথমগদবা লৈফম্বু কংলৈ সনা পুংমাইয়োন হৌকংলৈ লম্মহনবা কৌবা লৈবাক অশি নত্তনা পরম শুনা থমফদে, তেংবানবগী মপুনা লৈয়াইলেন্দা খোঙ্গুমলক্কুনা লৈঙম্লিবা লৈফম পুম্ববু লৈচাও খুঞ্জাওনবা নোংলোন লৈশাবা পরম্বু লৈফম কদাইদবু লৈথম্বা য়াগবা লৈথিবা লৈফম খুদিংবু শকোইনা য়েংলকপদা লৈফম অসিতা উঙমদুনা লৈফম অসিদা লৈফম খুম্থোক্কুনা লৈঙম্বা লৈফম পুম্বগী খুঞ্জাও লৈচাওনবগীদমক্তা পরম অসিবু নোংদম মউ থা, চারি মপান থাঙম্না লৈথুপ লৈথম্মী খংও। থৌরম অসি নংনা থৌপুনা লৈফম অশিদা শান্নরো নোংদম্মীদুনা কুমজা কয়াবু চিত্রকেতুগী মথৌ মঙম্বু য়েংদুনা হরাও তয়াম্ববু য়েংঙম্না লৈনুং লোঞ্জা অরিবা খাবা তাওরোইলাইনা লৈঙম্বদা চিত্রকেতুগী থৌবু থৌঙম খোইয়ুম লাইবু নিংজবা, লৈঙম্বা তাইবং অশাই অশম, ময়ুম য়েলুপমা খুন্দা লৈপানবা পুম্ববু অচান মিরাই খাইদনা থৌরম পুম্বদা থৌয়েনবা মশাগী চৎলম্বু উবদা লৈনুং লোঞ্জা অরিবনা কংলৈ সনা পুংমাইয়োন মৈতৈ সনা লৈবাক মনিকপুববু লৈশিন্নদুনা থৌরম পুম্বা নোংদমলগা নোংদম থৌঙম থৌপুবা অতিয়া মরু শিদবা লৈশিরেন লৈপুনবীবু থাগোন্দুনা কুরুম থেংগ্র•মচিংদা কংলৈ ফম্বাল লাংদুনা লৈখি।

১বা খুন্নচক চিত্রকেতুনা লৈঙাকপা

চিত্রকেতুনা লৈঙম্লিবা লাই তাইবঙী পুম্বগী লুচিংবা ওইনা লৈঙম্মি। অশাই অশম লৈবাক ঙাকপা অঙম্বা ঙানৰরেন, য়ারেন থৌবা, ফমদৌ শাফবা, হুরেন খুবগী লুপ। ঙাংবা রাওরেন, তাওমরিবা, পাম্মরিবা, লম্বখুবগী লুপ। ঙৌবরেন, মান্দংবা, লারৈ লাথুপ্পা, কামরিংবগী লুপ। শনবরেন পাওরৌনবা, পনশা হৈবা, কৈরেন ফাবা, কাংবু অমা। মেমানবা য়োকচা হৈবা, শরৌলাংবা, পুংমিন্নবা কাংলুপ অমা। রাওঙৌবা শয়ামনবা চৈগা য়াংতেক লুপ অমা। খেমানবা লোইজ হৈবা, নারৈ থাবা, ফোইদিং লৌকাই কাংবু য়েলুপমা তাইবংশিনা থৌয়েল্লি।

খোইয়ুম লৈঙম্বা পুম্বনা উবক বারক্তা খুন্দাদুনা মানা মানা পাম্বা লৈফমদা লৈনরে। চিত্রকেতুনা কুমজা খুদিঙ্গী থৌকাওম্না তাইবং পুম্বগা লোইনদুনা (হরাও তয়াম্বা শারোই শাদম শাকোই অনৌইলোনবু তেংবানবা মপুদা লৈহন্দুনা খোইয়ামশিংব হেংল্লি।)

মতুংদা উমংলাই পুম্বগা তাইবং পুম্বগা লৈফম তিল্লি ওইহন্নরুনা শতানৈ, মতুংদা খোইয়ুম উমংলাই খুন্দাবশিঙ্গী য়ুম মন্নুমদা মথং মথং চত্তুনা লৈ পুংমাইয়োন্দা হরাও শাম্বগুম্না হরাও তয়াম্লবা শিন্নদুনা হরাও তয়াম্না ঙাইনৈ। খোইয়ুম মখোয়পন্না হরাও শয়াম্লবা ক্লোইরগা চিত্রকেতুনা মাগী লুপ লৈঙম্শিংবু পুং ইশৈ শক্তুনা (অনৌইলোন) মখন মখন শাদুনা শারোই শাদম্বগী খুৎওং, খুৎহাই, খুৎথেক শাথেক্তুনা শেমদুনা কংলৈ সনা পুংমাইয়োন লৈতে সনা লৈবাক মনিকপুবদা মথক্তা ওইখিবা থৌরম পুম্ববু নিংশিংনবা ওইনা নুমিৎ খুদিঙ্গী শক শোন্দুনা শাকোই অনৌইলোন শাদুনা লাই তাইবং পুম্ববু উহল্লি য়েংহল্লি। থৌরম অশিনা চিত্রকেতুগী মথৌ মঙম ওইনা থৌঙম থৌপুনা তাইবং লাই পুম্বগী নুংঙাইনবা হোৎনদুনা হৌ কংলৈ লম্মহনবদা লৈফমদুনা তাইবং লাই পুম্বগী খুন্দিন য়াকা লৈফমপুং ওইদুনা নুমিৎ খুদিঙ্গী নোঙ্গাংদনা লৈফম য়াকা য়াকুম নাইনা লাইশু মীশু লৈমিন্নে।

চিত্রকেতু পুঙ্গিগী মতমদি নুংশাংলক্লে মাগী নাওদা অমতা লৈতবা মন্নমদা অরানা রাখল অমা ওইনা থোকঙমদুনা পোথজবা মতম খুদিংদা খোইয়ুম লাইমিংথোই অশিববু থৌকাওদনা লাইমিং শিংকক শিংহাপ্না চাবা থকপা পোথবা নাইদনা পুরুম থাগোন্দুনা নুমিৎ খুদিং থৌনজে। নোংদম্বনা

নঙ্গী তালোই অমা থমলো তাইবং মপোক্তা। তালোই অমা অদুনা নচা নিপা অমা পোকউ নহুৎ নরেং থৌপুনা লৈবাক অশিগী তাইবং লাই পুম্বগী নুংঙাইনবা থৌঙম থৌপুনা খুৎকন পাঙ্গন্না লৈঙম্বা ওইজরো নোংদম্বীরে। পরম অদুবু চিত্রকেতুনা রাখন অমা পুরে, তালোই অমনা ইচা অমা পোক্লবদি ঐনা তালোই য়াম্না থম্লবদি ইচা নিপা য়াম্না ফংবা য়াই রাখন্দুনা লাইরৈমশিং মশিং লাকঙমদনা শান্নদুনা ইখোং খুদিং চত্তুনা লৈ। মচাদি অমত্তা নাওদাবা ফংদে মদুনা নোংদম্বা লাইমিংথোইবু পুরুম্না রাহংবদা তাকপিরে। চিত্রকেতু নংনা পোক্কদবা লাদি অমত্তনি নংনদি লাইরেম্বী ময়াম ননাক্তা থম্লবনিনা ঐগু নঙ্গী নচা পীগদবা লাইরেম্বী মশক খংবা ঙমদ্রে, অমদা মচা পিরে লাইরেম্বী অমনা মপুক নুংশি তাথিবা ওইদৌরি মদু ঐনা য়েংঙম্না লৈব লৈঙম্লোই অদুনা নচা মশক লৈবা উদবনি তাকপিরে। মতুংদা লাইরেম্বীশিং লৈঙম্বা মখে অমুক লোইনা কাইন্নরগা মতুংদা লাইরেম্বী প্রতাপতী কৌবী অমা লৌরুদুনা পান্নরে। ইবেম্মা প্রতাপতীনা মচা নিপা অমা পোক্তুনা মমিং চিত্রধ্বজ মিংহুল্লি। অঙাং অশিগী মনুং মতম চানা শিন্দম শিন্থাক পীদুনা থৌরম পুম্ববু লৈশিন লৈপিনদনা লৈথমলম্মগা চিত্রকেতু থুপখি।

২নং গন্ধরূপনা লৈফম্বা চিত্রধ্বজ

চিত্রধ্বজনা লাইরেম্বী লাইরিবী পান্নদুনা মচা নিপা অমা পোক্তুনা মমিংবু চিত্রপিচা কৌদুনা মপাগী থৌপু পরম্বু কাইদনা থৌপুজদুনা মৈতৈ সনা লৈবাক মনিকপুবগী তাইবং লাই পুম্বগা নুংঙাইনদুনা লৈফম্মি।

৩নং গন্ধরূপা চিত্রপিচানা পানবা

চিত্রপিচানা ইবেম্মা শ্রমাবতী পান্নদুনা মচা নিপা অমা ফংজরে, মমিংবু চিএশর্ব্ব কৌদুনা তাইবং খোইয়ুম লাইগা হরাও তয়াম্না নুংঙাইনদুনা পাল্লে।

৪নং গন্ধরূপ্পা চিত্রশর্ব্বনা পানবা

চিত্রশর্ব্বনা ইবেম্মা নারমাবতী পান্নদুনা মচা নিপা অমা পোক্লে, মমিংবু চিত্রবর মিংহুল্লি। পুং ইশৈ শাকোই অনোই শাদম্বগী মরমদা মবুধৌশিংনা তৌরম্বগী পরম্বু কাইদনা মচা খাইনা থৌপুনা নুংঙাইনদুনা লৈফম্মি।

৫নং গন্ধরুপ্পা চিত্রবরনা পানবা

চিত্রবরনা ইবেম্মা চিত্রবতী পান্নদুনা মচা নিপা অমা পোক্তুনা মমিংবু চিত্রভানু মিংহন্দুনা লৈঙাক লৈফম্মী।

৬নং গন্ধরুপ্প চিত্রভানুনা পানবা

চিত্রভানুনা ইবেম্মা শ্রবাঙ্গীনি পান্নদুনা মৈতৈ সনা লৈবাক মনিকপুবা কৌবগী পরম থৌরম্বু চিংনুং মাননুং কোইনা চত্তুনা লৈবাক্কী তিনখোং লাইখোংবু থিরকই। ঙরাং কৌরং অশুপ্পা লৈফুরেন খুন্দা অহানবা নাওরা হুম্নি শুম্বিবা লাইলোংবনা থোকঙমলক্তুনা মরুগী সনা হকচাং লেমফুনা নমঙা ওইনা থৌদু থক্তা ফমদুনা (অমম্বনু অঙান লৈশাবা, হন্নিচক্তা লৈরুই খুছোক লৈশেম্বা, তাইবং নমু মৈহৌরোন) হাইবা পুম্নাবু পুথোক্তুনা পূরাক্নি ওইনা পাদুনা তাহন খংহনবি। পুয়াবু পাবা হেক হৌবদা খোইয়ুম লাইরকচনগী লৈঙম্বা লাইপুম্বা খোঙ্গারক্তুনা পুয়া পাগদৌরে (নোংদম মউ লিংঙম্বা চাক্নি মপান থারম্বা কৌরং লাইলোংবা অশুপ্পনা) তাহৌশি হৌনদুনা মাগী মাগী ফম্মাল্লাংবু শেম শাদুনা লাইখুন্দিন লৈফম্না তাঙম্মি। হৌখিবা পরম পুম্ববু তাজ্জ খংজদুনা মতুং অদুদা চিত্রভানু খোইয়ুম পুম্বগা লোইনদুনা খেত্রংচিং লেমফুম্নী লুখুম (লুখম) লোক্নি খোংলম ইন্না লাক্তুনা ইঙৌ খুছোংয়াইগী খুবম তারক্তুনা হৌ কল্লে লম্মাহনবা কংলৈসন্না পুংমাইয়োন স্না থম্বাল নুংকোংপী থৌদুনা লৈরম্মি। লৈরম্বা মতমদা তাঙমজরকপা পরম খিবিকপু রাখন্দুনা শারোই শাদবগী থৌরমদা পুখোক্তুনা খোইয়ুম পুম্বগা হরাও তয়াম্নগে হাইকগী থৌরম অদুক্ত খন্দুনা লৈখি। নোংদম থৌদাদগী ইবেম্মা শ্রবাংগীনি মচানুপী অমা পোকলে। মমিংবু চিত্রংগদা থাকৌ মিংহন্দুনা মনুং মতম য়েংনা মানা নিংজবা থৌরম্ব পন্দোম লোম্না তম্বীদুনা খংহল্লি। মচাগী হৈশিংবা শিন্তাক শিন্দম্বদা রাদবা অদুদা হরাও তম্রামজবা ওইঙম্না খোইয়ুম লৈকা লৈফম্বা তাইবং লৈফম্বা য়েলুপমগী মফমদা মচাগী শারোই শাদম লৈশারোনবু নুমিৎ খুদিঙ্গী নোইনহন্দুনা য়েংদুনা তম্নামনৈ।

চিত্রঙ্গদনা হৈয়াচক্তা তাংঙালাংওন পাখংবনা নোংলোন্দগী লৈকুমলকপদা তুবি লাংওন শান্নুনা য়াথোক লৈকুমলক্লগা তাইবং শকথোংদা লৈফোংদুনা ময়ুম য়েলুপমা তরেৎনা কুরুম চিং খোঙ্গাদুনা পুরুম লৈপাইনা ময়ুম পুম্বগী পিবা লুচিংবা হৌকংলে লমহনববু লৈশং লৈফম্বা পিবা লৈছন লৈকৎ লৈরাংবা ফাওবা শাদম শানোইনা শাঙমলকপা

অদুদা হকচাং মউ খরা শোক্লক্লুনা য়েরকপা পুংলোনগী তানয়েগা খোংথাঙ্গা খরা শোইরকপগুম তৌঙম্মি মদুদা চিত্রাভানু মপানা মপুক মথানা চৎপা তুবি ওন্না লৈয়ু মিচৈ পীরে। মিচৈ তাবদা লাইয়াম্না তাথিবা ওই। করি মিচৈনো মীগী অৱাবদি খংদবা করি নথৌ নঙমনো হৌনদে নঙ্গী মিচৈবু কোক্লবা ৱাহৈ অমা নোংদম্বীয়ু লাওনরক্লে। চিত্রভানুনা হাইরক্লে ঐগী মিচৈ অশিদি লৈঙম্মিবা খোইয়ুম পুম্বনা নোংদম্বীবা পরম্না ইচাগী কোকচবা ওইশনু। থোক্লগদবা পরম্বু নোংপোক লাইমিংথোই অচিবনা খংঙ উরদুনা নোংদমলে। খোইয়ুম লাইয়ামশা চিত্রভানু মপাগী মিচৈ অশিদি হাক্লা নুংশাংনা লৈথম্নগনুশি লাইগী মঙান থাবা মীথোই মীহেনবা মপুক ৱাখন চাওবা অকি তুজুং লৈতবা নিপা অমা মৈতে সনা লৈবাক মনিকপুবা লৈবাকপু য়েংবা লাকখিনি মহাক্তি মশক হেক উবদা মিচৈ অশি কোক্লুনা মতিক হেনবা মঙান চাওবা অদুগী সেবা ফংদুনা পানঙমজবা তানফংজবা ওইঙম্মু নোংদমলে, খোইয়ুম পুম্বনগু ঐখোই।। নোংদম্বনা হাইঙম্বশে তানফংজৌ নোংদম্বী।

চিত্রংগদগা মপাগী মিচৈ থৌপুবা

ঈশিং থৌবানগা খাংবা ঙমদ্রে, চিত্রংগদা মাগী লোইনবী মঙাইরোইশিংনা ঈশিং পুরক্লুনা পিথকপদা মশিনা ঐগী ইখৌলাংবা কোকপা ঙম্নরোই হাইদুনা নুংকেং পাঙ্ডা ঈনিংঙম্না থকচগে ৱাখন্দুনা খোরক্লে মতারোই, কয়ামুন্না তুংইন্না কপনলাওনদুনা থিন্দোক্লক্লে। সনাথোং কংলে পুং ময়োনগী মেন শুরুং হেক য়ৌবদা নিপা অমা অপনবা লৈতনা কচু মিতিন বায়েন শং য়ৌঙম্নবা চংশিল্লকই। নিপা অদুগী মশক উবদা ঈশিং থৌরাংথদ্রে মশাদা মচু মঙান অঙংবা অমুনা খরা য়াওরম্নগু মচু মঙান লেখিদ্রে। থৌরম্মু উবদা লোইনরক্লিবী ইবেম্মশিং অদু হরাও তুজুং ওইঙম্না খুবাক খুদুনা নোক্লকই। চিত্রঙ্গদা খুলৈতানা খুবাং চেপনা লোন্না মিৎস্না ইরা চেন্না লাকঙম্মিবা নিপা অদুবু হাইজ চংজে থৌনিজবগী মশক ওইনা তাংজ লুক্লা লৈঙম্মি। ময়ামগী হরাও মিনোক উবদা নিপা অদুনা ইকাই তুজুং ওইঙম্মি। মাবু নোক্লবনি ৱাখন্দুনা নিপা অদুনা হাই, ঐ অসি লম তাম্না লৈফম খুদিং লাকপনা মওং অশি থোক্লরে ঐবু উরগা নোকনা ইকাইবা পিবদি তৌবিগনু লৈফম অশি য়োনবা লাকচবদা চাবা থকপা তুম্বা পোথবা তৌদনা য়ৌঙম্নবতা লৈফম খুদিংদা হংজনা য়াম্না ৱানা লাকচবনি নখোই খিবিক্লা থৌজানবিদুবা লৈবাক অশিগী মিতিনশঙদা অমুক্তা পুশিনবিয়ু।

ইবেম্মা চিত্রঙ্গদনা ঐখোই মিনোক মিচাওবগী নোকচবা নৎচদে ইবুংঙোবু উজবদা অরাবা কোঙ্গাই থৌবু পরম্বু তানফংনা লাকগুম্লবা মওংবু থোকগুম্বদা ঙাইবদা অরা থৌবু পরম্বু কোকগুমখিবা থৌরমদগী হরাও নুংঙাইজবগী নোকচবনি।

অর্জুন্না কংলৈ পুংমাইয়োন কুচু রায়েন শংদা চংবা

ইবুংঙো নংগী নখোংখাদা চংজনা হাইজ নিজরি পিলবিয়ু নথৌজান, নংনা তিনবা লৈফমদা তিঞ্জগে ঐদি মরাইবক থিনী মনিকপুবা লৈবাক অশিগী লৈশংবা চিত্রভানুগী মচা নিংঙোল্লু ঐগী থরাই হকচাং অসিবু লুত্তিন লৈছন লৈবাংনা লৈকথচরে। খংঙে ইবেম্মা নঙ্গী থৌরম রাখনগী থৌওম্ব ঐনা ঙম্মখে থৌওম্লবা তৌগনি। ঐনু নখোই থাইনা বায়েন মীতিলফমদা য়ৌওম্লবা লমজিংবিরম্মু। ঐ অশে হস্তিনাদা লৈগনি পান্দু নিংথৌগী মচান। এা তাবদা হরাও কুজুংখিবনা অকি অথং লৈতনা ইবেম্মাশিং অদুনা কোইশিন্দুনা থৌরম পম্মা পাওশানদুনা খংনরে। ইবেম্মশিং খরনা মিতিংশংদা পাওদমলুদুনা চংবা য়াবগী পাওদম পুঙম্লকুনা পান্দু অর্জুন কুচুশংদা চংখ্রে. চিত্রঙ্গদগু লোইনবাঁশিংনা থৌগন্না হনজিনখ্রে। অনিমক্কা উনখিবা লৈফম্বু মতম অশিদগু অমুক হন্না থৌকাওখ্রবা মিংহুনবু নিংশিংবা ওইনা উনাপুং (উন্দ্রা) শাং থাকৌরে।

পান্দু অর্জুন্নি তাবদা চিত্রভানুনা য়াম্না ইকাই খুম্নবগা লোইননা কৌশিন্দুনা মতিক চাবা লৈফম পিদুনা ফমহল্লি। মফম অশিদা লাকপনা মরম ...রি কমদৌনা মফম কদাইদগী লাক্লিবা হংঙ। মদুদা অর্জুন্না তাক্লকই ঐ মতম খরা তৃথ অস্নান ফংজগে কোইবনি ঐগা লোইননা ব্রক্ষন খরগু লাকমিন্নরম্মি ভারতব্রশগী মনুং অকোইবদা লৈরিবা তৃথ কয়ামরম্ম কোইদুনা অস্নান তৌদুনা মথং মথং লাকমিন্নরকপদা কলিঙ্গ দেশ য়ৌরকপদা ব্রক্ষনশিংদি ঐখোইদি কলিঙ্গ দেশ অশিদি চংনিংদ্রে নংদি খেত্রিনিনা চংঙবগু থোইনা কাইদে. নংনা অশুম মথং মথং চৎপদা নোংপোক্তা মনিপুবা কংলৈ সনা লৈবাক অমা লৈবনি, লৈবাক অদুদা তৃথ ১০৮গী হৌনফম মরু ইঙৌখোং থাকৌবা খোং ৩০গী হৌফম মরু খোং ৭ লৈবনি, খোং ৭ অশিগী লুতিনফম পুমশাইখোং হাইনা লৈবনি মশিং অশিমা রাক্তনা লৈবনি। অদুগা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা পুখ্রি অহুম অমগা লৈবনি ইরোং অহুম ফাংবা ঔরাংদা অমা, নোংপোক্তা অমা. তৃবেনী অনি ফাওরিবনি। তৃথ ৫শু চেল্লিবনি, তৃথ ৫দুগী মরক্দা কুন্দ অমমম লৈবনি লৈফম অশি থিদুনা লুপলু হাইরিবা তৃথ কুন্দ পুখ্রি অশিবু লুপলকপদা ঐখোই খিবিককিশু নোংদম্মা লুপ্পীয়ু হাইনা তাকপিরম্বদগী

মফম অশি য়ৌরকপনি, লৈফম অশিবু থিরকপদা খংবা ঙমদদুনা গঙ্গা মপান্দা পোখ্যাদুনা লৈবদা গৌর পৃয়াগী মচানুপী উলপীগা থেংনদুনা গৌর পৃয়াদা হংলগা খঙ্গনি হাইদুনা মহাক্না পাওদাকপিবদগী গৌরপৃয়াগী মচন নুপী নাগিনীগী মনাক্তগী লাকমিন্নদুনা নাগপুর কৌবা লম্বু য়ৌদুনা মফম অদুদা মতম খরা লৈরম্মগা গৌরপৃয়ানা তাকপিবদগী মফম অসি য়ৌরকচবনি। ঐ মফম অশিগী তৃথবু পুরুম লৈপাইজবা লাকপনি ঐগী থৌঙম থৌপুজবদি অদুবু নিংথৌ নঙ্গী মফমদা করিগুম্বা মশক অমতা নিজগে ঐগীদি কনা লোইনজরক্তবনা ঐগী ইথৌ পাংথোক্লবগী মরমদা কনা অমতনা নিংশিংবিনবা লৈতে ঐনশু লৈবাক অশিদা ঙসিদা থুংলবনা ঐনা ঙসি হাইগদৌরিবা মশক অসিদি থৌগল্লোন্দি হাক্লশু কাইবা রাফম অমা ওইনা থোক্লি হাইদবশু নিদবশু য়াদে ঐনা শোইদনা থৌঙম থৌনিদুনা নঙ্গী নিংবা মবম্বু ঐনা তৌগনি হাইনা হাইশু হাইদোকলুরে লুখ্রেদা রাফম অশিদা ঐনা ইশামক্লা হাইগদবশে। চিত্রভানুনা অর্জুনগী বাখনবু উদুনা "মরম অদু খংলে ঐগী লাইবক ফবনি ঐনা ইচানিপা পোক্তবা অশিদা অদুবু"। "অর্জুন ঐশু খংজরে ঢাকপিবা বাবম ঐমক লেংদনা লৈবদি লৈজবোই অদুগা ঐগী ইহুর্থশন্দুনা লৈবাক অশিদা লৈপুবা ঙমদরিবা মখৈদি ঐ শোইদনা নযাথং থৌপুজনি"। রারম্বু অবেপ্পা ঙাংনদুনা নুমিদাংদা খোইয়ুম পুম্বা তাইবং পুম্বা মিতিন লৈফমদুনা লুহোং লুতিন লৈহুন্দুনা অর্জুন লুতিন লৈয়া লৈরৌ লৈহুক্লে।

অর্জুন্না ঈশেং মরু থিবা

অর্জুন্না কংলৈ পুংমাইয়োন্দা থুংঙবা নুমিৎকী লুহোংবা অহিং অশি লৈরম্মগা মৈতৈ সনা লৈবাক মনিকপুবগী মনুংদা লৈবা ঈশেং ইখোংবু ইরুমাইতাজগনি হাইনা লৈকোইবা লাক্লে। অশুম মথং মথং লাক্লনা চিংশাং অকোইবদা লৈরিবা ইশেংবু ইরু মাইতা পুরুম্না লৈকোইরকপা কৌব্রু চিংশাংদগী থাংহিং ঙাংঙোই, শুগনুতুবু, চকপী নোংপোক লৈহৌচিংশাং চিংখৈ, অশিরোই চিং যৌদুনা কোনবা চিং তারক্লে। লৈফম অশিদা থাবুম অমা লৈফমদুনা লৈঙমলে ঐনা লৈকোইরকপা অশি থাবুম অমা ওইরক্লে মশিবু করি মবম লৈঙম্বা ওইগবা বাখন্না অশুম মফম অদুদা লৈ। কোনবা মরু ইশেং ইখোং মরুদগী লৈনুং লোঞ্জা তাওরোইলাই খাবা য়াথোক্লক্তুনা অর্জুন-নংনা লৈফম অসিদা লৈঙম্বশি লৈরনু হল্লো নঙ্গী চিত্রংগদগী শিয়োমনুংদা ঐদি চংদুনা তাইবং মপোক্তা ইপোক ইহুন তম্মগে নঙ্গী রাশকপু কাইদনবগীদমক্তা লৈঙম্মি, ঐ তাইবং ইপোক ইহুন ইথোক্লগে ঐগী থৌরম্বু থৌঙম থৌপুনবা হনঙম্লশি তাকঙম্মদুনা

হনঙমলক্লে। অর্জুন হেক থুংবগা চিত্রঙ্গদা রাঙ্গোন শঙ্গুম্নমদুনা মচানিপা অমা পোকএ অর্জুন্না লাইমিং পিরে।

অঙাং অশিবু নুমিৎ শিঙ্গুম তরুকনিগী ঈপান থারে মিংলেন থাকৌ বভ্রুবাহো কৌনা মিংহুল্লে, তরানিথোইনি ঈশেং মাপান লাংলে। মতুং খরা লৈরগা চিত্রঙ্গদগী মফমদা তাকপি চিত্রংগদা "ঐ চৎলগে ঐ অমুক লাকখিনি ইচাগী মতিক মঙম য়েংবা অদুগা গৌরপৃয়াগী মচানুপী উলুপীগী শিয়োমনুংদা পুদুনা পোকপা ঐগী ইচা ইরাবন্ত থাকৌ মিংহুনবা নচা অমশু লেহৌবনি করিগুম্বা মফম অশিদা লাক্লবদি মচিন মনাও খংনহন্দুনা লৈমিন্নহললু ঐ হৌজিক ময়ুর ধ্বজগী লৈবাক চংলগা মথং মথং য়ৌনবা হনখ্রগে" হাইনা পাওমেন্দুনা লৈথম্লম্মগা কংলৈ পুংমাইয়োনগী নোংপোক পাংনা চৎখ্রে।

ব্রভ্রুবাহো, ইরাবন্ত ২গী

গৌর পৃয়ানা মশু ইরাবন্তগী মফমদা মহাক্লা হৈবা মহৈ মশিংবু অখাকপা লৈতনা তম্বী তাকপীদুনা খংহন হৈহন্না য়াম্না লুনা চেকশিন্না য়োক্লুনা মমান্নবা মী, লাই, হিংচাবা কনানা লাকচবা য়াদনবা মরম পুম্বা খংহন্দুনা লৈরবা মতমদা উলুপীনা অর্জুনগী খোঙ্গুন লিবদা মনিপুবা লৈবাক্তা ব্রভ্রুবাহো কৌবা মচা অমা থনম্মগা চৎখিবা পাওবু তাদুনা মচা ২বু খংনহনগে রাখন্দুনা মপা গৌর পৃয়াগী মফমদা থৌরম্বু হাইজদুনা উলুপীনা মচা ইরাবন্তবু পুরক্লুনা হৌ কংলৈ লম্মহনবা কংলৈ সনা পুংমাইয়োন্দা থুংলদুনা মচিন মনাও উনহন্দুনা খংনহল্লে। মখল মখা অয়াম্বা হৌনরকপা পুরারি কয়া শানদুনা মতম খবা লৈরবদা চিত্রভানুনা হাই নচিন ননাও মফম অশিদা পুন্না লৈয়ু ইচা অনিদি ইশু অমমমদশু পোকচৈ মথক্তশু মখাদশু লৈতে মচিন মনাওবু কাইনহনগনু লৈবাক অশি ঐনা ঙসিদগী মচিন মনাওদা লৈশিন্নরবনি হাইদুনা মচিন মনাওবু লৈমিন্নরে চিত্রভানুনা হৈজবা মহৈবু অখাকপা লৈতনা মচিন মনাওদা তম্বীদুনা মশু ২বু কোন্দুনা থমলে।

১নং কংলৈ সনা পুংমাইয়োন মনিপুবা লৈবাক্কি নিংথৌ

ইরাবন্তনা নিংথৌ ওইরবদা খোইয়ুম তোকঙা শাবনা = নারদনা পাও পুরক্লুনা ইরাবন্ত মহা ভারতকি লান য়াওবা চৎখিদুনা মনাও ব্রভ্রুবাহোনা গেমক ঙাক্লে।

২নং কংলৈ সনা পুংমাইয়োন মনিপুবা লৈবাক্কি

ব্রভ্রুবাহোনা নিংথৌ ওইদুনা লৈবাক নোংথৌতুবা উয়ুঙ্গী মথক্তা মিংলেনবু ওম সনা তরেং খোম্বা কোমফু ওম কুঁ সনা মনিক লৌতরেং থাকৌনা ফম্বাল্লে। ইবেম্মা নৃমালিনা ওইথম ফম্বাল্লাংনা থৌখন্দুনা অশাই অশম পুম্বা থৌখন ফম্বাল্লাংনা ফম্বাল মেন্দোংলে।

[illegible] [illegible] শগোল [illegible] লমী

ভারত শিল্পুংনা কোইরক্লুনা শগোল্লা লাকপা শগোলগী মতুং ইনবনা শগোলবু ফারু ফারুবা লৈফম্বু লান শোক্লদুনা খুদুম চন চন্দুনা শগোলগী মতুং ইন্দুনা লাকপনা প্রমিলাগী লৈবাক য়ৌরে (খাশিয়া) মতুংদা ত্রিপুরা তারক্লে (তখেল) য়ৌরক্লুনা যাজাতিগী মচা দ্রুহুৎনা অঙম্বা সনা লুপা লৈকৎলক্লুনা মফম অশিদগী হিরম্বাদেশ লোমদা (কশার) পাংনা চেনখৎলক্লে। মফম অশিদগী মনিপুবা হৌ কংলৈ লম্মহনবগী চিংশাং নোংচুপ নোংপোক্কী থোংহাংনা শগোল চেনখৎলক্লুনা হৌ খুরোই লম্মহনবা তমপাক মশাং তারক্লুনা কংলৈ তম্না চেনখৎলকপদা ময়ুম শখাই কোং = মকাপ য়ুমগী কাংবুনা উদুনা কংলৈদা চেনখৎলক্লুনা পাওদমলৈ। পাও তাবদা ব্রভ্রুবাহোনা লানমী খরা পুদুনা চেনখৎলককইবা শগোলবু লানমীশিংনা পনশানা থক্লুনা শগোল অদু ফারে। মরাইবক্তা সনা কোনপাক্তা ইদুনা থেৎলিবা মরোল পাবদা হরাওবগা লোইননা ব্রভ্রুবাহোনা শগোলবু ফাদুনা হৌলম্মহনবা কংলৈদা পুরক্লুনা থমলে।

শগোলগী মরাইবক্তা থেৎলিবা লাইয়েক্কী মরোল তাবদা চিত্রঙ্গদা, উলুপী মমা ২না শগোলগী মতুং ইন্দুনা লাক্লিবা অর্জুনবু মপানি

তাকপীবদগী ব্রভ্রুবাহোনা অর্জুনগী মফমদা নোল্লুকপা রাহেনা হাইজদুনা চংজরকই। মদুদা পাণ্ড অর্জুন্না শাগ্রেমনদুনা মিচৈথিনা পিণ্ডম্নবদগী হন্ন হন্না মমাগী য়াথংবু পুদুনা চংজরুবদা মমান্নবগী মমাংদা মাইথিবা পিবদগী ব্রভ্রুবাহোনা শাওদুনা হাইরম্মী। ঐ মৈতে নিংথৌনি মৈতে নিংথৌ মচানা হাইজবদা ইকাইবা পিবা, ঐগী হাইজবদি পুঙ্গিগী তোক্রোইদবা ব্রভ্রুবাহোনি চিন্না হাইজবদা য়াবিদবা অশি নচানা থোইনা হরাওজরি। চিনগী হাইজবদা য়াদবা মতুংদি খুৎলাইতনা নচানা হাইজ চংজ ওইখিদৌরিবনি গুম্বা মখে হাইজবা য়াবিগনু নচাগু লৈজবা খংজবা থৌরম মখেনা হাইজ চংজনবা তৌরগে হাইরম্মগা কুরুম চিংদা ব্রভ্রুবাহোনগী অকনবা তেঙ্গোলগী লানবন শারে। অর্জুনগী লানমী তেঙ্গোন্না হৌ লোললোইনা কোনবা চিং মকোক নুংঙোন চিঙ্গী খাথংবদা শেমদুনা লৈঙম্নগা অকনবা লানথেংনবদা অর্জুনবু কংলৈ সনা পুংমাইয়োন য়ৌনবা ফাদুনা পুখৎনবা থৌরাংবদা অর্জুনগী লানমী মখে লোইনা খুৎলাইনা পান্দুনা খুন্তাক লৈতাকপগুম্না হৌগৎ কাংখৎপা গুমদনা লৈবাক্তা তুদুনা লৈখিবনা খুৎলাই পাইদুনা লাম্থেংননবা অর্জুন্দগী হেন্না লৈখিদে। মফম অদুবু তাকএ তাকয়েন থাকৌরে, তেঙ্গোল লানমীনা লৈরম্বা লানজিন থংনা শোক্লফম্মু লানজিন লাংজিং থাকৌরে। ব্রভ্রুবাহোনা মাইগৈ অহুম লমথিংনা চপশিন্দুনা কংলৈ পুংমাইয়োন য়ৌনবা পুখৎলকপদা অর্জুন্না কংলৈ পুংমাইয়োনবু উবদা চংনিংদদুনা তুলাইবু খাথং য়েৎলোইননা তুলাই মনিং হন্না থৈথরকই। খুদক অদুদা ব্রভ্রুবাহোনা শাওদুনা তুলাইগী মথক্তা থেথলিবা ফিরাল কক্লুনা থাদরে। তাখিবা লৈফম্নু হনুলমহাং থাকৌই (মহাবলী) অর্জুন শাওদুনা থাংপাইদুনা চেনশিল্লকই ব্রভ্রুবাহোগু থাংপাইদুনা তুলাইদগী চোংথরক্লুনা থাঙ্গ থাঙ্গ হাইনদুনা য়ান্নবদা ব্রভ্রুবাহোনা চংনা ফাদুনা মমা ২গী মফমদা কথকেনিংদুনা অর্জুনগী হাইজল্লকইবা থাংবু খত্তোক্লুনা চোংশিনগে থৌরাংববু নিংবা কাইদুনা অশাওবা মৈনা থুমহৎখিদুনা খাদ রাংদ চোং চোংদুনা য়ান্নরম্বদগী অর্জুনগী খোঙচত্তগী খোংফম অমা হুদুনা ব্রভ্রুবাহোনা চোংশিল্লক্লুনা থাংদোন্না হাইজল্লক্লুনা অর্জুনগী মণ্ডক ককখ্রে। ব্রভ্রুবাহো অরাবা রাখন ওইঙমলে। পাওদমদবা য়াদবনা মমা অনিগী মফমদা পাওদম্লৈ, মমা অনিনা কণ্ণুনা অর্জুনবু কৌদুনা তুরিবা লৈফমদা লাকপদা অর্জুনগী মশাপুম্বা হয়িংনা ওমদুনা খোংলম ময়াদা লৈরম্বদগী হয়িংতোং = হয়িংখোংবান থাকৌরে খোং অদুবু, মতুংদা কংলৈ সনা পুংমাইয়োনগী মংলেন্দা পুখত্তুনা থম্নগা রাখন্নে।।

ব্রভ্রুবাহোনা মনি লৌরুবা

উলুপীনা অর্জুনবু লিনগী হু কামশিন্দুনা থম্মী। কুবুধি থিষ্টরাস্ত্রা অনিনা অর্জুনগী মকোক হুদুনা পুরে। লৈবাক অশিদগী লাহোক্নুনা অর্জুনগী কোকপু পুদুনা চৎখিগে তৌবদা লৈনুং লোঙ্গা অরিবানা লৈথক লৈখা তুনা লম খুদিং থিংদুনা চৎহন্দ্রে। সনাচিরেন য়ুরেন সনা হন্না কুবুধি থিষ্টরাস্ত্রা ২বু তাথিরে, অশিরোই তানফংলবগী রাঙম্নরিঙেদা থৌরমশিবু থৌপুবা হৌনব্রা হাইনা শাওদুনা অনিমকপু লিফাদুনা মশাইকোন্দগী হেন্দোকপা ঙমহন্দনা থমলে।

অর্জুন শিরে তাদুবা দ্বারিকাদগী গোবিন্দনা লাক্লে মদুদা কংলৈ তম্না লাক্লমদগী কমদৌনা লৈফম কদাইদা লানগী লানমীবু থম্মুদুনা তুম্না তাক্লবা ওইঙল্লিবা রাখন্না লাকওম্বিবা লৈফম অদুদগী কৈরপ তৌনা য়েংদুনা কংলৈসনা পুন্দা থুংখি, কৈনা য়েংদুনা চৎখিবা মফমবু লমকৈ (লমফেন) থাকৌরে। শগোল্ল ফাখিবা মফমবু শগোলপন কৌরে।

ব্রভ্রুবাহোশু শমন্তোক মনি পুরক্নুনা লাক্লে, কোক্তি য়াওদরে মদুদা কৃষ্ণ ভগবান্না কম্মদৌগ্রবলো কোইনা য়েংবদা উদুনা কোক লৈরে উরে হাইনা মীয়াম পুম্বদা খংহল্লে। মতুংদা কোক লৌরুদুনা পুরক্লে, কোক লৈরম্বা লৈফমু উরেকোক থাকৌএ। মাংখিবা পোংশু লৈবা উরেপোং উরিপোক খংনা হাইনরে কোক অদু পাল্লে উলুপীনা লিনগী হু চিংথোক্লে। শমন্তোক মনিনা শোকপদা ওক হান্নওম্না শমজিনখিদুনা হিঙ্গক্নুনা শ্রীকৃষ্ণ ভগবান্না থৌজাননিহল্লি, ইরাবন্তবু মহক্তারকী লান্দা শিনবা থৌরাংখিবগী লমনবু মমা ইবেম্মা উলুপীদা শিংওমগে নিংক্নুনা হন্না হন্না থৌজান লোংদমদুনা নিহনবদা অঙাং ওইরিঙেদা শনশেনবা হাইব্রা পরম অমা লাথুপ শান্নখিববু য়েংজগে নিদুনা রাশক্তি মখা পোন্না থৌগুদুনা লোংপোক লৈহৌচিংদা ইবেম্মা ২বু পুদুনা শন শেন্দুনা শান্নখিবা লাথুপু খক্লন উহল্লে। থৌরমু থৌকাওদনবা শম্বী শন্নাওগী খুদমু থনম্মী খোং কারন চন্না শন্নাওদা শ্রাবগী খোংকম্মু নুংদা মম্নি তাহন্না থম্বীরে থৌরম কয়ামুক থৌকাওদনবা লৈকনবিরম্মগা মৈ পুরুম লৈকংপগীদমক হনখি।

মৈতৈ নিংথৌ বাভ্রুবাহোনা হনজক্নুনা লৈবা

বাভ্রুবাহোনা মপা মতোনশিংবু উনদুনা খংনা চান্নবা, মৈবু পুরুম লৈকং লৈহুনবা লোইদুনা হল্লক্নুনা লৈঙমলে। মতুংদা খরা লৈরগা ইবেম্মা মৃনালী রাঙ্গোন শঙ্গুমলে মচা নিপা অমা পোক্নুনা গুবাহু হাইনা থাকৌ মিংহুন তমলে।

৩শুবা শুবাহ মৈতৈ নিংথৌ

শুবহ্না ইবেম্মা হেমাপ্রভা লুহোংদুনা ফম্বাল তোংলে, মতুংদা মচা নিপা অমা পোক্লুনা মমিং ধমাঙ্গ মিংহুন থাকৌনা নুংশাংনা পানখি।

৪শুবা নিংথৌ ধামাঙ্গ

ধামাঙ্গনা ইবেম্মা কেশিনী পান্নদুনা ফম্বাল তোংদুনা লৈপুরে। মচা নিপা অমা পোক্লুনা হেমাঙ্গ থাকৌ মিংহুল্লে। য়েক্না তিংবং লৈতনা কশিং ক্লম্না পুন্সি নুংশাংনা পাল্লে। মতুংদা মচাগী মফমদা নংলে পুংমাইয়োনগী খুবম্ পিরম্মগা থুপখি।

৫শুবা নিংথৌ হেমাঙ্গ

হেমাঙ্গনা [illegible] ওউদুনা [illegible] হেমাঙ্গই [illegible] থ্রাংলেন, [illegible] ইবেংতোন [illegible] [illegible] ওয়রোং চনুনা পোক্লা [illegible] [illegible] য়েলুপ [illegible] ফমদুনা য়েক্লুমা লৈতনা পাল্লি। হেমাঙ্গ নিংথৌ [illegible] তাইবং পানবগী ম[illegible] [illegible] পাল্লিবা অচংবা চক্তবা, মী[illegible] [illegible] [illegible] পুন্নমক্কি নোংদম্বা হৌরকফম [illegible] ওইবা [illegible] [illegible] মপু মার্গ অগ্নেপ্পা ওইবা, লৈমরেন কুয়োম তরেৎনা মপান ওইনা য়োমদুনা থোংফম খুদা [illegible] থুপলিবা নোংদম মপা মপু পোকনফম শাৎনফম ওইকী মফমলাংদা লৈথুং লম্বীবু পরম নাইনা লাইনিং পরে শিংকক শিংথাপ্পা থাগোল পরম হৈকং লৈকং পরম্ব মথক্তা হৌখিবা মরুশিংনা চৎনরম্বা চৎলম লুপ্তিন লাইরকচনবু লৈথি লৈহংনা পুরারি শাবতনা মহাক্কি থৌবু থৌওম ওইনা লৈওম্মি। লৈঙাক লৈপুবগী মরমদা থোইনা মপুক লৈথমদে অশাই অশম লৈওম্বা য়েলুপমা পুম্বদা লৈবাকপু লৌশিন্নদুনা মহাকনা চিংমান লোক তাইদা মতম খরা অমুক কোই মতম খরা কংলে পুংমাইয়োন্দা লৈফমদুনা লাইনিংলম্বী লৈওম্বা অশাই অশমশিংদা পুরারি শাওম্না মতম খরা লৈওম্বা অশিনা পুন্সিগী পাওজেনবু ভাইওম্মি। নোংকোরৌ অমা ময়ুম য়েলুপমা পুম্বনা কংলৈ শংবা লুচিংবা থৌপুববু থৌকাংদনবা মউ চারি শমথনবা থৌরম্ব থৌপুবিনবা তৌওমশি হাইনা পাওহৌই। অশাই অশমগী য়াথং অদুনা মহাক্কি অরাবা পবম থোক্লুনা লৈওম্বা থৌবু

থৌয়াংবা পুম্নবু কৌশিল্লগা রায়েন শোইফদবা লৈফমদা ফমদুনা লৈঙল্লিবা য়েলুপমা অপুম্বা কংলৈসনা পুংমাইয়োনগী নোংচুপ, রাংশঙ্গী নোংপোক, লাইশঙ্গীদি মনাক্তা সনাগী তেংকোৎনা কুপ্তুনা থম্বাল অমা লৈবনি। সনা থম্বাল নুংকোৎপী কৌবনি। থম্লাবু থম্বালবু লাইমিংথোই তাওরোই লাইনা মমৈবু ময়ানা উমদুনা কোন্দুনা লৈরি। থম্বাল অদুগী লৈরিক লিশিং লখাদা য়োম্লিবা থমচেৎ অদুগী মথক্তা সনা ফম্বাল লাংদুনা তাইবং পানবগী মপুনা মশাবু মশা কুয়োম ৭না য়েন্দদুনা অচৎপা চত্তবা পুম্নমকনা শকইবা শোল্লিবা নিংভিবা লাইমিং পুম্নবু মপু মাগী পুনাক্তা হাপনগে উহনগে হাইবগী মাবু মানা কাওদনা ফম্বাল লাংনা লৈবশে নখোইনা ঐগীদমক নোংদম্বীদুনা লৈথিববু ওইবিয়ু পরম অশি নত্তনা থৌদা ভঙ্গীগন মেহাঙ্গী য়াথং ভাবদা ময়ুম পুম্বা রা মখা তাদনা নুমিৎ অদু হন্নরক্লে। নুমিৎ খুদিঙ্গী থৌকাওদনা ময়ুম য়েলুপমা অশাই অশমনা হৌ কংলৈ লম্মা হন্নবু লৈশং লৈফম্বা থৌকাংদুনা লৈঙম্বা তারি থৌরম কবম্না থৌপুরগা হেমাঙ্গ অশিনা ময়ুম চারি লিংঙু য়াগবা মরম অশিতা রাখন্না লৈঙম্মি। থৌরম অশি হেমাঙ্গনা পাংথোকলম্মগে লৈবাক্কি মনিং থুংহল্লম্মগে ঐগী মতমশু লোম্লে বাখল্লক্কুনা মহুৎ মরেং শিন্দুনা রাযেন থৌদা থৌঙমগদবা চনু নিংঙোন য়েংবা ওইনা স্নাফম্মু কোইজাইনা লাকঙম্মি। মরম অশি লৈনুং য়াখু য়াবী পিরিৎনু অহুম অরৈবা মাইরেং হৌবা চনু নোংতা নোংখোং লেম্বীনা খংঙা উরদুনা স্নাফম কোইজাইনবম্বদগী তাইবং শকথোং ওইনা য়াথোক্কুনা উন্দ্রা শমাংদা হেমাঙ্গনা হনঙম্লকপবু ঙাইদুনা লৈঙমলে। হেমাঙ্গনা চনু কনা তানফংদদুনা হনঙম্লকপদা ইবেম্মা নোংতা নোংখোং লেম্বীবু তানফংবদা ইবেম্মা নং কনানো মফম অশিদনা কদৌরিবা কদাইদগীবু লাকঙম্না লৈঙম্মম্বা। ঐদি মফম অশিদা লৈবনি ঐবু নাওকোনবীনবা লৈজদবনা কোইজাইনদুনা লৈফম অশিদা লৈজরম্মি রা অশি তাবদা হেমাঙ্গনা লৈশি লৈথোন্না থেমনৌনা নোংতা নোংখোং লেম্বীবু শংলেন্দা পুশিন্দুনা থম্লগা অশাই অশম পুম্নবু কৌশিন্দুনা য়েংহল্লি। থৌরম পুম্বা রা তান্নদুনা স্না ফম্বাল তোংলে। ফম্বান মতুং কোরৌ মঙানি শুবা নুংখিল পোপ্তা হুল্লকপদা নোঙ্গা খোংলম তানখিদুনা কাংথং পুথং খংনদনা লৈঙম্লখি।

উমং লাইনা তাইবং লৈপানবা ঙমদনবা থৌঙম থৌপুবা

কংলৈ স্না পুংমাইয়োনবু লৈশংবা নিংথৌ কাংলবদা উমংলাইশিংনা মনিং মখা তৌবক্কুনা তাইবং লৈঙম্বা কাংথং খংলক্করে। হৌকেশে লম্মাহনবদা

পাম্ছোইবীনা লারৈ লাথুপ অমা শৈহৌনা উমং লাইগী মরক্তা শান্নগে নিংদুনা থৌশিল্লক্লে।

১নং হৌ কেগে লম্মাহনবগী লুচিংবা

লোইতাম থাজ য়েলুপমগী কংলৈ শংবা ৫ শুখিবা হেমাঙনা থুপখ্রবদা হৌকেগে লম্মাহনবদা ঙাংজেং লৈতকপনা রায়েন থৌপুনা পাল্লে। মতম অশিদা খোইয়ুম ইঙৌবনা তাইবং মপোক্তা হেনজুনহা থাকৌনা পোক্লে। পাম্ছোইবীনা লাইরৌলেম্বী কৌনা পোক্নুনা চনু নিংঙোন্দা খাম্বী লৈকোইবা ফালম্বু হৌওম্না শান্নদুনা উমংলাই শরোইশিংনা রাতান্নদুনা নুমিদাং অথেংবদা শরৌশিন্দুনা হেঙ্গুনহাবু হাৎলে। পরম অশিনা উমং লাইবু তাইবং পুম্বনা অকিতুজুং ওইনখিদুনা লৈঙম্বা তাইবং মখে কোইজাইনদুনা মাগী মাগী লৈঙম্বদা নুংঙাইগদবা লৈফম্বু থিনদুনা চৎনখিবনা তাইবং খুন্তাকলে। থৌরম অশিদা নোংতা নোংখোং লেম্বীন মপুক তাথিবা গুইদুনা কোয়্রৌহনববু থাকৌনা তাইবংশিংবু লৈকনবিনবা মচা অমতা পিয়ো থৌনিদুনা নোঙাংদনা থৌনি থৌপুনা লৈঙম খাংঙম্নরক্লে।

পুয়াগী মতুংইন্না চানবা য়েংবা

১নং খুন্নচক লোইরমদাইদা হরাও তয়াম্বগী মতুংদা লৈনুং লোঙ্গা অরিবদা শিন্নদুনা হিপু য়াইপুবা লৈবাকপু পাল্লে =(মনিক পুবা লৈবাকপু) পাল্লে।

২নং চিতাশেৎ চিরোং হৈনাইবনা হরাও তয়াম্বগী থৌরম্ব পামজবা উবদা লৈনুং লোঙ্গ অরিবনা হিপু য়াইপুবা লৈবাকপু শিন্নরম্মগা লেপ্পরোন্দা হনখ্রে।

৩নং চিতশেৎ হুপত্রেংবনা লাইরিবী পান্নদুনা হিপু য়াইপুবা লৈবাকপু পাল্লে।

৪নং চিতশেৎ চিরোং য়াফাকপনা শুমলৈশ্না পান্নদুনা হিপু য়াইপুবা হৌ লম্মা হনবা লৈবাকপু পাল্লে। কুমজা লীপুন ৭ পাল্লম্মগা মচা নিপা চিতাশেৎ হুপত্রেং কিংনাইবদা শিন্নরম্মগা থুপখ্রে।

৫নংগু চিতাশেৎ হুপত্রেং কিনাইবনা নারুম লেনবী পান্নদুনা কংলৈ হিপু য়াইপুববু পাল্লে। কুমজা লিপুন ৬ পাল্লম্মগা মচা নিপা চিতাশেৎ চিরোং

লাংয়ানবদা শিন্নরম্মগা থুপখ্রে।

৬নং চিতাশেৎ চিরোং লাংয়ানবনা চিংবা লৈমা পান্নদুনা হিপু য়াইপুবা কংলৈ সনা পুংমাইয়োনবু পাল্লে। মচা নিপা চিতশেৎ চিরোং লৈয়াৎপদা শিন্নরম্মগা চিংবা লৈমদি লৈকক লৈয়াইরেন্দা হাইনা হুম্না ওইনিংবদা ওইদুনা লৈখি।

৭নং চিতশেৎ চিরোং লৈয়াৎপনা শরাংখোম্বী পান্নদুনা কংলৈ পুংমাইয়োন হিপু য়াইপুবা লৈঙাক লৈকন্না পাল্লে। মচা নুপী ৭ পোকই নিপা য়াওদে। ৬ অমদি য়েক ৬ লুচিংবা ৬তা থাজে। অমদি লাইরবা নিপা ১দা থাজে করিমতা মচাগিনি হাইদুনা পীদে। নিংথৌ অশিগী মখাদা নিংথৌ কাংলে খুন্নচক লোম্মে। উমং লাইনা মনিং তমখ্রে। অশুম্না চথখিবনা লাংবচক্কি কুমশিং ৭৭৮ শুরে। কুমজা খরা শলাইনা পাল্লে।

১নং ইঙাংলেন্না পানবা কুমশিং ৭৭৮ শুবদা

ইঙাংলেন্না হৌলম্মা হনবা কংলৈ সনা পুংমাইয়োন কৌবা হিপু য়াইপুবা লৈবাকশু ঙাক্লে। মনাও পৌপ্রংলেন্না উমংলাইশিংবু মাগী মাগী লাললুপ নাইনা থৌকা হল্লে। ইঙাংলেন্না মনাও পৌপ্রংলেন্দা শিন্নরম্মগা মালং চিংদা হর্নাখ।

২নং লাংবচংগী ৯২৮ চংবদা পৌপ্রংলেন্না পানবা।

পৌপ্রংলেন্না চহি অশিদা পাল্লে, ইবেম্মা লৈমা নিংনাইদবী পান্নদুনা ফম্বাল তোংলে ফম্বাল মিংলেনবু (ও ম্না ভরেং খোম্বা কোনফুরেন কুং সনা মনিক খোম্বা লৌত্তরেং ওনা) মিশ্চল্লে। (নিংনাইদবীবু) নোংসনা মনিক খোম্বী লৈহল্লে। অনিমকনা ফম্বাল চহিদা মচানিপা অমা পোকই, মমিংনা কোঞ্জিল্লাংবা কৌই।

৩নং কোঞ্জিল্লাংবা

লাংবচংগী কুমশিং ১২৭৮ চংবদা কোঞ্জিল্লাংবনা হেমগু ঙম্বীবু লৌদুনা পিবা ফম্বাল তোংলে। মচা নিপা অমা ফংজদুনা মমিংবু কোনচিলাংবা কৌনা পাল্লে।

৪নং কোনচিলাংবো কুমশিং ১৪৭৮

কোনচিলাংবনা নোংপোক লৈমা কাইরেমবু পান্নদুনা পিবা ফম্বাল তোংলে। মচা নিপা অমা মমিং পোরোং নোংখাইবা কৌবা অমা পোকলম্মগা মচাদা শিন্নবম্মে।

৫নং পোরোং নোংখাইবা ১৭২৮

পোরোং নোংখাইবনা তমথেং লৈমা পান্নদুনা ফম্বান তোংদুনা মচানিপা অমা তাইমরেং কিনাইবা কৌনা পাল্লে।

৬নং তাইমরেং কিনাইবা (১৯৬৮ কুমশিং)

তাইমরেং কিনাইবনা পিশিন খোম্বী পান্নদুনা ফম্বাল তোংদুনা মচানিপা লাইরুম্ম নুংফৌবা কৌনা পোক্নুনা পাল্লে।

৭নং লাইরুম্ম নুংফৌবা কুমজা ১৯৮৮

লাইরুম্ম নুংফৌবনা নোংখোং লৈমা পান্নদুনা ফম্বাল তোংদুনা লাইরুমলেন পোক্নুনা পাল্লে।

৮নং লাইরুম্মলেন কুমজা ২৩৮৮

লাইরুম্মলেন্না য়াংদৌ লৈমা পান্নদুনা ফম্বাল তোংদুনা মচানিপা লাইলুম কাংবা কৌবা পোক্নুনা য়েন্নবা লৈতনা পাল্লে।

৯নং লাইলুম কাংবা কুমশিং ২৫৩৮

লাইলুম কাংবনা নোংতা নোংখোংনুবী পান্নদুনা কম্বাল তোংই। কম্বাল মতুং নুমিৎ ৫নি লৈরম্মগা লাইলুম কাংবা লাইনিংবা চৎখি। নোংতা নোংখোংনুবী অশাই অশমগা লোইননা কণ্লে সনা কম্বালবু শংলে। মতম অশিদা মোইরাংদা হেঞ্জুনহা অহিংদা কৌখোকপ্রগা উমং লাইনা হাখলে পাও তাবদগী মহে মহে চেন্নখিদুনা ইবেম্মগী মনাক্তা লৈবা অশাই অশম নোংমে নোংমগী চংনখ্রে। উমংলাইবু তাঙ্খিদুনা উমংলাইবু ঙম্বা ইচা অমত্তা পীনৌ হাইদুনা নুমিত্তগী নিদুনা লাংবচক্কী কুমশিং ৩১০৮ ইঙা থাগী থানিল ১৫নি পানবা শগোলশেন নুমিত্তা নোংদালাই শাফোংখি। মাগী মতমদগী চাহি ৭১ লৈরগা শকাব্দ থিবা হৌখি। কৃষ্টাব্দনা চহি ৭ ঙন্না খিবা হৌখি। মতাং অশিদা অতোপ্পা মীরৈবাক্তগী লাক্লগা লৈবাক অশিদা নিংথৌ ওইদুনা পানখি হাইবশি লৈবাক অশিদা হান্না লৈজরম্বা পুয়াদদী থেংনদ্রে। অর্জুন লাকই লাক্তে, অদুগা গন্ধরূপা লৈরম্মী লৈরমদে অশিনচিংবা অপাবা মীদা শিন্নজরে।

"মীগী মপোৎ পাম্মুনু
চংনবি শম্বন শিদোক্কনু
মৈহৌ মৈরিংবা য়াররোই
মৈকাম্বদা মৈ হৌ মৈচাক্লররোই।"

মৈতৈ-পাঙল

অইবাঃ

এলঃ মংলেম মৈতৈ
লাইরেঞ্জম ঔরাং লৈকাই,
মেকোলা

রাহৌদোক

লাইরিক অশিদা মৈতৈ লৈবাক্তা লৈরিবা পাঙনশিংশি মখোই মখোইগী য়ুম্নাক ৫৯ পীরি। মতৌ করম্না মখোইগী য়ুমনাক পীরিবনো হাইবগী মরম পীরি হান্না মুশ্লিম কৌন লাকপনি, মফম অশি য়োৌরগা মখোইনা হৈজবা মখুৎত শিনফম য়েংলগা মখোইগী য়ুম্নাক পীখির্বনি মখোইদা পিখর্ব য়ুম্নাক পুম্নবু ফুঙ হাইনা খংনৈ। নঙী য়ুমনাক কারিনো হংবগা চপ মান্নে। মানা তৌরিবা [illegible] লৌশিং জ্ঞান অদুগী মতুংইন্না মা মাগী য়ুম্নাক পীবি। মফম অশিদা লৈরবা [illegible]তমদা মখোইবু মৈতৈ পাঙন হাইনা [illegible]। [illegible]গী মমি খোনখিবগী [illegible]তাংনি লাইরিক অসি। [illegible] য়াবা য়ুম্নাক [illegible]নি। অইবনা হাইজিনবরা অচুম্ব[illegible] থন্নানিংঙাইদে।

অদুগা মথা অশিনা লৈবাক [illegible] লৈরিবা লৈকাইগী য়ুম্নাক্কী [illegible] নিংনরিবা লাইশিংশে লাই কনাবু [illegible] য়ুম্নাক করমবনা লাংখিবনো। [illegible]খোই খুঙংদুনা লুহোং [illegible]ংদোকবা মতমদা কনা কন্দা হৈ-লৈ কংকদগে [illegible]হাইবগী মতাংদা [illegible] [illegible]রিকনি। খরা নিংথনা পাববদি খরদি খংবা ঙমগনি অদোমগীদমক ইজর্বনি তান্নবা কাপা তান্নবিয়ু নৈনবা য়াবা নৈনবিয়ু।

অইবা

এলঃ মংলেম মৈতৈ

চৈচৎ ৫-৬-২০০৮

ইম্ফাল

মৈতৈ-পাঙল
খুম্হোকোন

১। খুল্লাকপম - মুস্লিম লৈবাক অশিদা লাকপশিংবু লাকপা ওই হাইদুনা খুল্লাকপম নত্রগা মানা য়ুম তারিবা খুল অদুগী লাকপা ওই হাইদুনা খুল্লাকপম কৌই।

২। ফুশম - চফু শাবদা যাওই হাইদুনা ফুসম কৌই।

৩ ফুন্দ্রেময়ুম - জমান খাঁ কুন্দন খাঁ অনি অশি ফুন্দ্রে খেৎপগী থবক য়াওই হাইদুনা ফুন্দ্রেময়ুম কৌই।

৪ য়ুমখাইবম - কুন্দন খানা য়ুম খাইদোক্লুনা হোংদোকই হাইদুনা য়ুমখাইবম কৌই. (কুন্দননা অহন জমান্না মনাওনি)

৫ লুপলাকপা ফুশম য়ুমদগী চফু শাবদা যাওবা অদু লাকপা পান্নববু ওইয়ু হাইবগী লুপলাকপা = লুপলাকপম কৌই।

৬ খুৎহৈবম - শাবা খোৎপা মখুৎ মশা হৈএ হাইবগী খুৎহৈবম কৌই।

৭ অয়েকপম - উদা লৈরোং হক্লুনা শানা হে হাইদুনা অয়েকপম কচময়ুম কৌই।

৮ কোরিময়ুম কোরিফ মহি চেলহন্দুনা শুংবা হৈ হাইদুনা কোরিময়ুম কৌই।

৯ শঙ্গোল শুম্বম - শঙ্গোমদগী অচা অথক শেম শাবা হৈ হাইদুনা শাঙ্গোম শুম্বম কৌই।

১০ মনসম - কাওনবা থিন্নবা হৈ হাইদুনা মনশম কৌই।

১১ দোলাইপাবম - দোলাই পানবগী থবক ভৌই হাইদুনা দোলাইপাবম কৌই।

১২ পুখ্রি ময়ুম - পুকখ্রি (ইকোম) শংহল্লি হাইদুনা পুখ্রি ময়ুম কৌই।

১৩ হল্লাই ইংখোল - লৈবাক্কি চানবা ইংখোন্দ হল্লাই থাদুনা শংহল্লি হাইদুনা হল্লাই ইংখোল কৌই।

১৪ লৌপাল ময়ুম - লৌপান্নহল্লি হাইদুনা লৌপাল ময়ুম কৌই।

১৫ য়ুমখাম - পাংগুন মশেল খৎনববু খাম্মে হাইবগী য়ুমখাম কৌই। (য়ুমখাইবমগী রাথোক)

১৬ ভুগ্রা ময়ুম - ভুগ্রা কৌবা জাতিগী মমিং লৌদুনা ভুগ্রা ময়ুম কৌই।

১৭ অরিবম । হান্না লৈরমবনি হাইদুনা অরিবম কৌই।
১৮ মেরাই ময়ুম- মরি লাইওইবগী মমিং লৌদুনা থোনবনি।
১৯ বগী ময়ুম- উরোক ফাই অদুগী উরোকপু বগলা হাইনবদগী বগী ময়ুম কৌই।
২০ চেশম -চে শাবদা য়াওখি হাইদুনা চেশম কৌই।
২১ মকক ময়ুম- মকক্তগী লাকই হাইদুনা মকক ময়ুম কৌই।
(অ) কুচু ঙৌই হাইবগী মকক ময়ুম অঙৌবা কৌই।
(আ) কুচু মুই হাইবগী মকক ময়ুম অমুবা কৌই।
২২ মাইবম- মাইবগী থবক তৌই হাইদুনা মাইবময়ুম= মাইবম কৌই।
২৩ খোংখোং ময়ুম -খোঙ্গী ময়াদা লৈখি হাইদুনা থোংখোং ময়ুম হাইখি।
২৪ কমল ময়ুম - কমলদগী লৌদুনা কমল ময়ুম থোনখি।
২৫ বশে ময়ুম - বাশিখোংবা হৈ হাইদুনা বশে ময়ুম কৌই।
২৬ কোনথা ময়ুম - কোনথাদা লৈহনখি হাইদুনা কোনথা ময়ুম কৌই।
২৭ শাজাওবা য়ুম - শাজৌবা মশা চাওবদগী শাজাওবা য়ুম কৌখি।
২৮ লৈশাংখোং - লৈশাংখোংদা লৈখিবদগী লৈশাংখোংতাবা লৈশাংখোং কৌখি।
২৯ ইফম। ই শংবা ওইনা লৈখি হাইবদগী ইফম কৌখি।
৩০ লবুক তোংবম -লবুক অতোংবদা য়ুম শাদুনা লৈবদগী লবুকতোংবম থোনখি।
৩১ মোইচিং ময়ুম। মোইচিং চিংখোংদা লৈখি হাইদুনা মোইচিংময়ুম কৌখি।
৩২ কৈনৌ ময়ুম - কৈই পান্নহনবদগী
৩৩ উরুপ ময়ুম - উরৌপম কৌবদগী
৩৪ থৌবাল ময়ুম - থৌবালদা লৈখি হাইদুনা থৌবালময়ুম কৌখি।
৩৫ মোইনা ময়ুম - মোইনা কৌবা উচেক্কী মমিং লৌদুনা মোইনাময়ুম থোনখি।
৩৬ শাইরেম - শাইরেম নিংঙোল লৌবদগী
৩৭ বাংময়ুম - বাংজিংদা খুন্দাখি হাইদুনা
৩৮ ফি শাবম - ফি শাবগী থবক তৌই হাইবগী
৩৯ শিঙ্গ খোংবম - শিংগ খোংবা হৈ হাইদুনা।
৪০ নোংজাই ময়ুম - শিঙ্গ খোংবম য়ুমনি মচিন মনাওনি নোংজাই খুন্দ খুন্দাখি হাইদুনা নোংজাই ময়ুম থোনখি।

৪১ কৈইখোংতা-কৈইখোংদা লৈহল্লি হাইদুনা কৈখু (কৈইরেলদা) কৈইখোংতা থোনখি।

৪২ হিদাক ইংখোল - হিদাক থক্লবা হিদাক মপান থাই হাইবগী হিদাক ইংখোল কৌখি।

৪৩ নোংশা য়াইবম -অইংবা হৈনদবা মশক্লি শাবগী লমদগী লাকপনি হাইদুনা

৪৪ মেঞ্জর ময়ুম - মেঞ্জর ফম ওইরম্মি হাইদুনা মেঞ্জর ময়ুম কৌখি।

৪৫ পঞ্চাই ময়ুম - পঞ্চাই মেম্বর ওই হাইদুনা পঞ্চাই ময়ুম কৌখি।

৪৬ কাচি ময়ুম - কাচি খুল কাজিগী মিংদুনা (কাজি খুল) হৈ শিংবা অমা ওইনা লৈখি।

৪৭ য়াংখুবম - য়াংলেম খম্বা পাঙন ওনখিবা মাগী মিংদগী য়াংখুবম থোনখি।

৪৮ ওইনাম ময়ুম - ওংনামদগী ওনবদগী।

৪৯ ময়াং ময়ুম অরিবা - অমুক নৌনা লাক্লবদি অরিবা হাইরগা ফনি হাইদুনা।

৫০ ময়াং ময়ুম অনৌবা - হান্না গমভীরগী মতমদা লাক্লমনি মানা কোন্না লাকপনি হাইদুনা অনৌবা হাক্লুনা।

৫১ ফিরিংজি ময়ুম - সাংহেপনা লোইনবা খনবা তেলঙ খনবা ফিরিংজি ময়ুম খংনৈ।

৫২ লাইরিকয়েংবম - লাইরিকয়েংবনা শিনফম ওইবা

৫৩ হৈখো ময়ুম - হৈখোং শংবা হৈ হাইদুনা হৈখো ময়ুম কৌখি।

৫৪ শাকাজম - শাকাজুনা চাই হাইদুনা

৫৫ মালশম - মাল (পোষচৈ) শাবা হৈবদগী,

৫৬ থাংজম - থাং শাই হাইদুনা

৫৭ তমপাক ময়ুম - তমপাক য়ুমনা য়ুম খাইবিখিবদগী।

৫৮ তাওখোং ময়ুম - তাওখোংদা লৈখি হাইবদগী।

৫৯ কৈথেল ইংখোল - কৈথেল ময়াদা ইংখোল শেমদুনা লৈবা।

লম লম্বু কোনবা লাই
১
কৌব্রুনা কোনব লন

১ লৈম্রাম খুলেন
২ চকপ ফয়েং
৩ কৌব্রুক
৪ তাইরেন পোকপী
৫ পোলাংশোই
৬ ফুমলৌ
৭ ফুমলৌ সিফাই
৮ ময়াংলাংজিং
৯ শেঙ্জম চিরাং
১০ লোইদাং
১১ অরাং পোৎশংবম
১২ পোৎশংবম খুন্নৌ
১৩ তিংগ্রী
১৪ শরৌথেন
১৫ খোংহাম পাৎ
১৬ কমেং
১৭ লাইরেন শজিক
১৮ লম্বান
১৯ হৈবোংপোকপী
২০ লাইরেন কাবী
২১ শঙ্জেনবম
২২ হাওরং শাবন
২৩ হাওরং কৈরেল
২৪ তাওখোং
২৫ ক্বা শিফাই
২৬ নারন কোঞ্জিন

লোইয়ারাকপনা কোনব লম
২

১ হৈগ্রুজম
২ তাওবুংখোক
৩ কাংঙাবুং
৪ ঙাইরাংবম
৫ খাইদেম
৬ পরনাম খুন
৭ কবোরাকচিং
৮ কাংঙাবুং শিফাই
৯ কাংঙাবুং মাইস্নাম
১০ হৈনৌলোক
১১ খা-যুম্নাম খুন্নৌ
১২ ইরেংবম
১৩ কৈনৌ
১৪ খোংথক
১৫ লোকপচীং
১৬ থিনুংগৈ
১৭ নম্বোল কোংখাম
১৮ কাংঙবুং তোংব্রম
১৯ পাঙন শিফাই

৩ মারঙ্জিংনে কোনব লম

১ পাঙ্গৈ
২ হৈঙাং
৩ অহল্লুপ
৪ খাবম
৫ অচানবিগৈ

৬ মোংজম
৭ মাইবখুন
৮ কাইরং
৯ খোমীদোক
১০ শঙাকফম
১১ লাইফম খুনৌ
১২ চীংমৈরোং

৪। রাংরেন্ত্র কোনব লম

১ খেকমন
২ মন্নাং ইম্ফাল
৩ চবুং কমপনি
৪ শেকমাইজিন
৫ ফৌগাকচাও

৫। মোইরাংগী লাই

১ মাইবম তমপাক - লাইনিংথৌ
২ ফিলেম - খোক্লিফাবা
৩ খোংয়াংবম - অয়াংলৈমা
৪ ফাইরেনবম - লোক্লাও লৈমা
৫ অহনথেম - সনামহি
৬ মাইরেনবম - লৈকোই নিংথৌ
৭ কুমাম - মহারাবা
৮ হেমাম - পাখংবা

৬। ঈরৈম খুবম য়াহৌব

১ উয়ুমপোক
২ লম্মোই খুন
৩ তরেং খুন
৪ কৈবী
৫ হৈকক খোংবান
৬ হুইত্রোম
৭ সেকতা
৮ নুঙোই
৯ পুংদোংবম
১০ শওম্বুং
১১ ইয়ামপাল
১২ ফকুং
১৩ শাজেপ
১৪ মোইরাং কমপু
১৫ তোপ
১৬ ক্ষেত্রি
১৭ নহারূপ
১৮ পাঙোং মখোং
১৯ বামোন কমপু
২০ ইরিং পুং
২১ কৈরাও
২২ লংদুম
২৩ উরূপ
২৪ আরাপত্তি
২৫ লিল্লোং
২৬ চজিং
২৭ করাম

লম লম্নু কোনবা- ৩১

২৮ হাওরৈবী
২৯ শামুরৌ
৩০ ওইনাম
৩১ রাঙ্গোই
৩২ খাইদেম
৩৩ লাইফাকপম
৩৪ ইরম শিফাই
৩৫ চোংথাম কোনা
৩৬ মতুম ফিবৌ
৩৭ চিরাই
৩৮ চবুং কমপনি
৩৯ থন্না
৪০ মাইবম
৪১ খেলাথোং
৪২ শনথেন
৪৩ উচিরা
৪৪ হৈয়েন
৪৫ হঙ্গুন
৪৬ শোঙাইজিন
৪৭ থোঙাম
৪৮ ফৌগাকচাও
৪৯ কোমলাখোং
৫০ লফুপাৎ
৫১ নোংমাইখোং
৫২ অরোং
৫৩ ইথাই
৫৪ তেরাখুন্নৌ
৫৫ রাংঙু শন্দংখোং
৫৬ চাইরেন
৫৭ নুংঙু
৫৮ তাংজেং
৫৯ পোম্বীখোক
৬০ শুগ্নু

ওইনাম থিংঙোন তাবা ওইনাম,
,, পিশুম ,, ,, ওইনাম
,, নম্বোল মথা ,, ,, ওইনাম
,, থাঙ্গ ,, ,, ওইনাম
,, ফুবালা ,, ,, লাইশ্রম
ক্বাকেথেল ঙানপী খোং
লুরাংলি খোং মপল লাইশ্রম
মথক্কি য়ুমনাকশিংশি ইরৈমা লাথখিবা ঙাক্তনি।
পাম্ভোইবী লাথখিবনা - হৈশ্রাম, খৌনাওজম, নাওরেম
অহোংশাংবম।

৭ থৌবাল নিংথৌনা কোনব লম

১ থৌবাল
২ নিংঙোম্বম
৩ শাবনদোং
৪ থৌবাল কিয়াম
৫ থৌবাল খেকমন
৬ হাওগা শোয়ারেল

৮ চিংথৈনা কোনব লম

১ ফকুং
২ কংলা শিফাই
৩ মোইরাং কমপু
৪ শাচেপ
৫ শংশাবী
৬ খরাশোল
৭ শললাকখুন

৯ লংমাই লৈমনা কোনব লম

১ তোপ
২ [illegible]
৩ [illegible]
[illegible]
৫ [illegible]
৬ [illegible]

১০ পুখিবনা কোনবা

য়ুমনাম খুনৌ - য়ুমনাম হান্না তাই হাইদুনা কৌখিবনি।
কোনবা লাইদি - পুখিব, পিথেৎলৈমা, সনা খোংনাং লৈমা, শৌপোল লাইবেম্মা, খোরিফাবা, চংনিং লৈমা ৬শিনা কোল্লি।
খুরাই পুখিব - পুখিব, পিথেৎলৈম, নোংমাই লৈম, খোইরিফাব, চংনিংলৈম ৫ শিনা কোল্লি।
নুঙ্গোইবু কোলবদি - নুঙ্গোই লাইরেম্বী নোংপোক পুথিবা, অনিশিনা কোল্লি।
পৌরাবি - পুথিব, পিথেৎলৈম, তোলোংখোম্ব নুংশেল লৈমা ৪ না কোল্লি।
রাইতোন - পুথিবা, পুথিবী, তোলোংখোম্বা অহুমশিনা কোল্লি।
রাইতোন - রাইরি মচিন মনাওগী থৌরমদগী লৌরগা হাইবদি খুম্বোক্লবদা অমুক অমক রাইনৈ হাইদুনা ময়ামবনা রাইরি মনাওনা রাইতোন কৌখি।
অবাং খুনৌ - পুখিনা পিথেৎলৈমা অনিনা কোল্লি

তাওথোং - পুথিবনা কোল্লি।
লাংপোক খুলেন - পুথিবা নোংশাবা পিথেৎ লৈমা চংনিংলৈমা ৪না কোল্লি।

১১ পুলৈরেমবনা কোনবা লম

অন্দ্রো লাই তরা
চজিংবু কোনবা - পুরৈলোমবগা ইবেনধৌ চংনিংলৈমগা পাখংবগা
অরাপতি - ইরৈমা পুরৈলোমবা ২না তোরৈ রাংমা রাংমা কোল্লি।
লমলাইবু কোনবদি - সলাম লাইরেম্বী, পুরৈলোমবা, নোংমাই লৈমা ৩না কোল্লি।
রাখা কোনবা লাইদি - পুরৈলোমবগা নোংমাই লৈমগা ২না কোল্লি।
য়ারনবু কোনবা লাইদি - পান্থোইবা পান্থোইবী ২না কোল্লি।
নহারুপ কোনবা লাইদি - চেংবা লৈমা পুরৈলোমবগা ২না কোল্লি।
নহারুপ, পাঙ্গোং মখোং বামোন কমপু - পুরৈলোমবনা কোল্লি।
চিংগাংবমনা - পুরৈলোমবনু লাথলি।
খুরাই তাবা চিংগাংবমগু পুরৈলোমবা লাথলি।
কংলা তাবা চিংগাংবমগু পুরৈলোমবা লাথলি।
নাওরেমথোং তাবা চিংগাংবমগু পুরৈলোমবা লাথলি।
খাংজেম্বমগু পুরৈলোমবা লাথলি।
বাংখেমগু পুরৈলোমবা লাথলি।

১২ নোংমাইলৈমনা কোনবা লম।

তোপ, কোংপান, কৈরাও, রাংখেম, কমবোংপুং, তখেল থুমখোং, ইরিনপুং, মফম ৭শি কোল্লি।
কোংবা লৈকোইপুংবু কোনবা লাইদি - লংমাই লৈমা, পুরৈলোমবা, কাইনৌ চিংশোমবা অহুমনা কোল্লি।
কোইরেঙ্গে - পাখংবা লাইস্নানা কোল্লি।
পাৎশোই কোনবদি - পাখংবা লাইস্না ২না কোল্লি।
লুকের কোনবদি - খোইমোম লাইরেম্বীগা পাখংবগা কোল্লি।
শগোল তোংবা - পাখংবা, খাগেমবা, খুম্বুলৈমা লাইশনা ৪না কোল্লি।

চঙাঙ্গৈ কোনবদি - পাখংবা. খুমবোম্বাগী ইবেনধৌ হাওরোক নিংথৌগী মমোম লিক্লাংনু ২না কোল্লি।
খারমানবু কোনবদি - পাখংবা লাইসনানা কোল্লি।
মালোম ঔরাংবু কোনবদি - পাখংবনি অদুবু খুঞ্জাওবনি।
মালোম মখা, ঔরাং, চঙাঙ্গৈ অহুমদি লাইরমলেন্দ চংনদে।
হাওরৈবিবু কোনবা লাইদি - পাখংবা লাইস্নানি
কিয়ামগৈ কোনবদি -- খাগেমবা, পান্থোইবী, মোংয়াংঙমবা, খুল্লেমা মরিনা কোল্লি।
মোংশাঙ্গৈবু কোনবদি - পুথিবা, পাখংবা, মোংয়াঙঙমবা চংনিংলেমা ৪না কোল্লি। মুংয়াংঙম্বগী - কৈনি।
কুমবা শন্থোং - পাখংবা লাইস্না ২না কোল্লি।
থ্বা সিফাইবু কোনবদি - চোথে থাংমাই পাখংবগা য়াংদৌ খমলাং তাওবীগা ১না কোল্লি। নিংথৌগী মনাই ১না ক্বা থারুম্মি হাইদুনা।

১৩ খম্লাংবা

মাগী মচানা অমুদোন পোকই হাইরি থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইদগু খমলাংবা লৈফম অশি য়ৌবদা মাগী নুপী নুংশিং লৈমবু কালিকা কৌরে হাইরি

হৈরোক/ককচিং খুলেন রাইরি খুলেন অশিগু খম্লাংবা কালিকা অদুম কৌরে।

পালেন, ককচিং খুনৌ, মোইরাংপুরেন থৈয়োং হৈরোক, নোংদম নোংদ্রেন নিংথেমচা খুল ওকগু মফম ৪ অশিদা তাংখুল শরম পাখংবগা হাওরৈমগা থক্কি ২গা পুরম্মনৈ।

রাইতোন রাইরি, অখাম অশিদগু খম্লাংববু তাইনৈ।

১৪ খুরাই পানা

খুরাই শাজোন লৈকাইদা মচিহনবা ইবেনধৌ লমলাং লৈমা ২না কোল্লি। লমলাং লৈমা পান্থোইবীনি। লমলাংদা লৈরুই।

খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকাইদা কোনবদি লাইনিংথৌ অবাংবা ফিজম চনু নবি লৈরাম।

খুরাই থোইদিংজম লৈকাইদা

অহনথেম লৈকাই তাইবংজম লাইরেম্বী তাইবংজামবনা (তাইবংজম য়ুম্লাক্কী লাইনি)

খুরাই কোলোম লৈকাই কোনবদি লংমাই নিংথৌ, চিংচ্রোইবীগা ২নি নোংমাইথেমগা অচোইবমগা ২না লাথহৌই।

খুরাই শোইবম লৈকাই কোনবদি - থাওমু লৈম, থাওমুনিংথৌ লাইচথতি লাইখুরেমবীনি। ব্লারেপ্পম = ব্লারেপ্পা হাইবশে তাইমজমনি

খুরাইদা লৈবা থৌদাম মখোইগী নিংগোন মচানি হাইদুনা

চিংগাংবমগা অঙৌবা ময়েকচানি হাইদুনা থৌদোক খুদিংদা তাইনৈএ

শোইবম লৈকাইদি (শরারেন, থারৈমা, খাকপা নিংথৌ, নোংথাং লৈমা, পাখংবা) লাইস্না ৬ শিনি।

অহোঙ্গে তাবা অবাম্ম্না - শৌবোল লাইরেম্ব সনা খোনাংলৈমা লাথলি।

শঙ্গবমনা শঙ্গ্বি তাদুনা বাঙ্গোন নিংথৌ বাঙ্গোন লৈমা মফমনা চিংখদনি।

[illegible]

খুন্দ্র [illegible] লাইপান্দনবা [illegible]

তাংখমবু [illegible] [illegible] অচোমনা [illegible] লাইরেম্বী [illegible]।

১৫ ব্লাংথৈ পানা

কোনবদি ব্লাংবন নিংথৌ পাঙ্গুমবা, রাংড়ুতমফা অয়াংলৈমা ১না কোল্লি।

খুন্দাদুনা লৈবা লাইদি ঃ-

লৌরেম্বম লাইরেম্বী ফৌরা য়াঙ্কোকঃ

লাইশ্রম ইরৈম,	অযাং নিংথৌ পাখংবা,
অকাম শোইশেমবা,	পিয়াই লাইরেম্বী,
পুরৈলোমবা,	চেং লৈম,
নোংমাই লৈম,	ব্লাকম পনথোংঙানবী।

রাকম পনথোং ঙানবী মথোং তাবা রাংখৈ যুমজাও লাইরেম্বী অশিগা রাংবম নিংথৌ পাঙ্গুমবনা পাল্লমবা মফমদা পালহৌই।

লমফৈ - পাখংবা লাইসনা

লমফৈ তাবা থাইদেম - পাখংবা লাইসনা

চিংখম - অতিয়া লৈমরেন

তুরেন অহনবী - অঙৌবা অমুবা ২না হাইবদি (য়োইমোংবা, তাওথিংমাং)

চোংথাম কোনাবু কোনবদি - কোনারাবা পাখংবা

নিংথৌখোংবু কোনবদি - খুমন মচিন মৌপ্পানা।

থিয়ামবু কোনবদি ফুনান নিংথৌ মোইরাং লৈমা ২না।

থৌনাং খুনৌ য়াইথিবী কোনবদি - পোইরৈতোন লৈমা লৈনাও তাবী, খুমন মচিন মৌপ্পা।

শন্তোক খনত্রোক কোনবা লাইদি -ফুনাল নিংথৌ, নোংপোক নিংথৌ

অংথাবু কোনবদি - থাংজিং, নোংপোক পাম্থোইবী অহুমনা কোল্লি।

পোইরৌ খোংজিন কোনবা লাইদি, পোইরৈতোল পোইনাওতা লৌথিবী

হুইকপ্পু কোনবদি - হুইকপ নিংথৌ, হুইকপ লৈমা উরাললাকপা ৩না কোল্লি।

নোংপোক শেকমাই কোনবদি - নোংপোকনিংথৌ, পাম্থোইবী, সেকমাই নিংথৌ, তোইবী লৈমা, ইকোপ, নিংথৌ, লাইসনা ৬না কোল্লি।

সেকমাই নিংথৌনা কোনবদি -

পল্লেন	নোংপোক শেকমাই, ককচিং, ককচিংখুনৌ
রাকগাই	অরাং শেকমাই, তেরা উরক, চকপা
খরংপাৎ	হিয়াংলম, সেকমাইজিং

চকপনদি শরাৎ, শোরারেন হাইনা সেকমাই নিংথৌবু খংনৈ।

খরংপাৎ

ককময়াইবু কোনবদি - লুখ্রবীনা কোল্লি

নিংঙেনবু কোনবদি - মকোংজামবা ফৌংঙৈবী নোংপোক পাম্থোইবী ৪না কোল্লি।

নোংপোক সনা কৈথেন - নোংপোকনা
কৈথেন মানবী - নোংপোক্লি
লৈরোংথেন নুঙ্গাই পোকপী - নোংপোক
নোংদম, শিংকাপ, হুন্দুং - নোংপোক
হুন্দুং - নোংপোক সনামহি পাখংবনা।

শৌবুংখোক, লৈমখোং মপাল, শৈজাং চিংনুংকোক, য়াইঙংপোকপী, সনাকৈথেন লমলাং, লমলাই, উখ্রুল, চশাৎ, চকু অশিদা পাম্ভোইবীনা হাওরৈমা শম্বুবী ওইদুনা কোল্লি।

নোংপোকনা - তুমুখোং মোইরাংপুরেন, ইথম মোনথৌ, খোংনাংপন চংঙমদবী কংলা উকোক, সনাপাৎ, লাংলৌ চিংজেং, লেম্ব খুন, লিশমলোক, কৌথেন চেঙ্গে পাৎ, (তাংখুন্না অয়ামবনি)

পাম্ভোইবীনা - মকোকচীং, চীংদাই, খোংবান
পীদোন্ন, নোংদম, লমলাং
লমলাই লাইরোক, লাইকোম
লাইরৌ, শদু নোংমাই অসিদা

কোল্লি নোংপোক য়াওদে।

মপাও, থাঙ্গান্না - নোংপোকনা কোল্লি।

সেলোইনা নোংমাইনা পানবা লমদা লাৎপদি য়ুখোম ২/২ না চিংনা য়াওগনি।

কোংপান তাবা হিদামনা - হিবুবীগা য়াইপুবগা তাইএ।

কোংবা তাবা নোংথোনবমনা - পাম্ভোইবী, কোংপান কোংখামনা উরালৈমবু তাইএ

তাইবদদি য়াঙ্গোই নিংথৌ
পুরাবা
হিদাম লাইরেম্বী
উরা লৈমা মরিশি তাইএ।

কোংপান খাইদেম্ন - পুরিবী পুরাবা মচিন মৌপ্পা ২গা লাইঙমগা মখোই ৩বু তাইএ।

মোনখাংবমনা মোনখাং তাদুনা নোংপোক, পাম্বোইবী ২বু লাথহৌই।

নোংপোক লৌরেমবমনা - য়ুমজাও লাইরেম্বী পাখংবা য়াওই।

লাইতোঞ্জমনা - য়ুমজাও লাইরেম্বী মতোমতা লাথলি।

রাবগাই তাবা খোঙাম্না (পাঙ্গনবা কালিক) তাইএ।

১৬ খ্বাই পনাগী

পাখংবা	নাদ নিংথৌ
নম্বুল্লাকপা	অমুদোন
মখেলাকপা	কথোংলাকপা
চখেৎপী	রাঙম্বী
অকোই লৈমা	পুংমৈতোন রানথোন্বী
মঙাল লৈমা	লমফেন লাইরেম্মা
তাকয়েন পুক্কংবী	শয়াং নিংথৌ
নাপংবা	ত্রিনেফা কাকফৈ
খ্বাইরাকপা	শনদ্রেনবী

শৈশ্রা

খাইদেমনা শোরাবেনগা, ঙানুলৈমগা অঙৌবা খেমনদগী খাইদেম কৌই।

উবিপোক খাইদেমনা - ঙানু লৈমা

খাইদেম লোইকুবা অথৌবদি লোইয়ারাকপা তাইএ।

মৈনম - কদোং লৈয়াবী, পাঙ্গনবা তাইএ।

মৈনম ১না পাঙ্গনবা লাথলি লৈয়াবীগা পাঙ্গনবগা মচিন মৌপ্নানি মৈবা চমনা খিরকই হাইদুনা মৈনম কৌই।

শলাম - শোরারেন, হাওরোকলৈমা শলাম লাইরেনবী ৩শিনা কোল্লি।

হাওনু চাখানুগী কৈইবু খিল্লম্মি হাইদুনা শলাম কৈখু কৌই।

য়ুরেঞ্জম - মাইনু লৈমনা তরংখোইনুচাগা ২না কোল্লি। হুইত্রোম লাইরেম্বী লাথহৌই।

মাইনু লৈমা হুই খোংদুনা নোঙাখি হাইদুনা হুইত্রোম লাইরেম্বী কৌখি।

লোইতোংবম - মোংয়াং চাওবা অরাই লৈমা ২বু লাথলি।

ললামবুং - অরাই লৈমা মোংয়াং চাওবা, মখিরাকপা ওনা কোল্লি।

খুরাইজম - তরং খোইনুচা হুইত্রোম লাইরেম্বী লাথলি।

রাহেংখুমন অতোং খুমন - পাখংবা লাইস্লা ২না কোল্লি।

কোনখিবদি অতোমচা মোইরেমবনা খুন্দাবগা রাহেংঙানা খুন্দাকপা পুন্নগা রাহেং খুমন অতোং খুমন কৌবনে।

২দুনশু রাইশোল লাকপা অতোম পোকপা ২গীশু শারুক তমনৈ

লৈমপোকপা - লৈমপোকপা অপোকপগা সেব অতো পানথগা নেরু লৈমগা ২না কোল্লি। কৈরুংবনা লৈমা পোকপা খুন্দ মগী কৌবনি। খুঙ্গং লাইরেম্বশু লৈ।

লৈমপোকপম শিফাই - খাংজিং, কোইরেল লৈমা ২না কোল্লি। শিফাইনা খুন্দারম্বী হাইদুনা লৈমপোকপম শিফাই কৌই।

ইশোক - চিংবু নিংখৌ. চিংবু লৈমা ২না কোল্লি। মশু মবেন শোক্লে হাইবগী

খোইশনাম - নাওথিংখোং পেতংঙা তমফা অভুমনা কোল্লি।

কাংহুজম - নাওথিংখোং নোংমাইলৈম ২না কোল্লি।

থাংমৈবল তাবা কাংহুজম খোংমন্দশু নাওথিংখোং পেতংঙ তাইএ।

তাও উমং - নাওথিংখোং পেতংঙা তাইএ।

থাঙরোইজম - পেতংঙা য়ুমজাও লাইরেম্বী ফমবদি পেতংঙা নাওথিংখোংগা ফমন্নে।

ফোইজিং - খোইরিফাবা চংনিংলৈমা

মোইদাংপোক - কোরৌ হনব মনাও ইবেম্মা থম্বাল লাইরেম্বী অশিনা কোল্লি।

ইরেংবম - খুম্মোম্বা, চংনিংলৈমা খুনলৈমা অহুমনা কোল্লি।

কিয়াম্বু - অরাইবৈম্মা, মোংয়াং চাওবা ২না কৌরি।

অতোঃ খুমন - রাংজম্মা লাইরেম্বী পাখবো ২না কৌরি।

কোন্থৌজম - কোন্থৌজম লাইরেম্বী পোরারেন পোইরিকাবা লৈমরেন ৫না কৌরি।

ৱখন্যার - চিংখাং লাইরেম্বী অয়াংলৈকা য়াসোই নিংথৌ, পাঙনবা ৫না কৌরি।

মৈরম্বু - পোরারেন, ওকলৈমা, খোরিকাবা ৩না কৌরি।

লাইরেঞ্জম - পোরারেন কোন্থৌজম লাইরেম্বী খোইদিকাবা অশিবা কৌরি।

ইরেং শান্দাং - মুমজাও লাইরেম্বী লাকপা ৩না কৌরি।

পুরুম অংরোম শেকপা পাখবো লাই মনা অহুমনা কৌরি।

শাংক্রনবম - নুরাং শাংক্রেনহনবা মৈমা লাইসৌতাবা

কোকচাই - পানথা লাইরেম্বী, খুমন মচিন মৌপু অহুমন কৌরি।

শাংখুমুর - পাঙনবা কালিকা ওকুরেন লাইজিং মৈমা, মচা ইবেম্মা

পুনিগিরি - খ্যাবেক কোইরেঙ মৈমা ৩না কৌরি।

খুরাম্বু পাখংবাগা লাইরেমবগা কৌরি

ঘিনুক্ত খোংনাং ঈশচোইবা লোম্রা নহু শাকবা খোংনাং লাইরেম্বী

খোংনাং ঈশচাইবী ৫না কৌরি.

খাম তোংব্রম য়ুমজাও লাইরেম্বী

ইথাই - কৌওম্বী অকোংজামবু মৈরবি পাখবো ইথাই লাইরেম্বী ২৩ মৈ

ওয়েরা শরুক তম্বগনি

শাগোলবন্দ লৌক্রেকপম লৌকুরাকপা ইবেন্দ্রী থমবাল লাইরেম্বী ২না

থোদম নমবুল মপাল তাবা - নুরাং তোইবী মৈম, শাক্রেন মনাবা ২ক্

রাদেংবমনা - য়ুমজাও লাইরেম্বী নুরাং পোকপা, লোম্বাংপান পাখংবে ওসী শরুক তমনি।

কাংজবম - য়ুমজাও লাইরেম্বী কাংবা মচা ইবেম্মা খাম্রেম্মা ৩না কৌরি।

মুতুম - য়ুমজাও লাইরেম্বী মুতুমপোকপা লোবোই শাকবা (পোইরেতোন মৈমা কেলাও তাবীগী লাইচৎনি)

কৈশম - য়ুমজাও লাইরেম্বী কৈরেনচাগা কমদেই (হারাবা লোংপাইরেকপী লাইচৎনি)

হুইত্রোম - য়ুমজাও লাইরেম্বী
লৌরেমবা - য়ুমজাও লাইরেম্বী লৌকুরাকপা পাখংবগা
লোংজম - য়ুমজাও লাইরেম্বী শোরারেন ২নি। লাইচন্তি (নোংশাবগা লৈমরেনগা ২নি)।
থিংখোমনা - য়ুমজাও লাইরেম্বী পাখংবা ২নি।
ইখুদুম - য়ুমজাও লাইরেম্বী । শোরারেনগ শরুক তমই লাইচন্তি পাছোইবীনি।
খরাইজম - য়ুমজাও লাইরেম্বী তক্নুং অপানবা ২গী তাই।
হুইরেম - য়ুমজাও লাইরেম্বী পুরেলোমবা ২নি।
এলাংবম - পেনু লাইরেম্বী , পাঙ্গনবনা তাইএ।
হিয়াংলম, এলাং খাংপোকপী, এলাং লৈকাইফুঙ্গ ৪না অহুম থোকনা লাংপদি মমানা য়েত্তা মচানা ওইদা ফমগনি।
পোৎশংবম - খা পোৎশংবম থোংনাং পাঙ্গনবা ইবেম্মনা (থোংনাং লাইলৌরেমবী)
নিংথৌখোং তাবা পোৎশংবম - পাঙ্গনবা, খয়াং তাওবী ২বু তাইএ
শাওনমনা - ঈশিং চাইবা

১৭ য়াইস্কুল পানা

খোয়নিংথৌ	খোংলৈমা	লোকনিংথৌ	লোকলৈমা	সনামহি
পাখংবা	নোংশাবা	ভিস্নম	লাইরম	

লোক্তাও লৈমা অশিনা কোল্লি।
খাইদেম - পাখংবা লাইরা
শামুরৌ - খাইরাকপা = (শোমুরৌ য়াকপা) পাখং পাছোইবী ৩না কোল্লি।
লাংথবাল - শোরারেন পুরেলোমবা পুথিবা পাখংবা নমুরাকপা ৫না কোল্লি।
শামু শং - কৌব্রু, কৌনু, ভায়নাকপা নুংথেল লৈমা ৪না কোল্লি।

কক্সুরাদা লৈবা শোত্রোকখাইকমনা ফৌওইবী লাথলি। থরক অতৈদা থক্কি লাই ৪শি লাথলি। হাইবদি ফৌওইবী, অকোংজামবা, নোংপোক, পাছোইবী ৪শি লাথলি।

ককরা - লিরা নৈমা খোংনিংথৌ খোং নৈমা অশিনা কোল্লি।
হৈরাংখোং মপাল কৈবুং - খাগেমবা মোংরাংঙম্বা লাইচন্তী শনামহি পাখংবগী লাইচথনি।
লাংথবাল মমাং - হৈপোকনিংথৌ হৈপোক নৈমা ২না কোল্লি।
লিলোং - পাখংবা, ইরৈমা ২না কোল্লি।
চিংমৈরোং - নোংপোক নিংথৌ পাছোইবী চীঙোল নিংথৌ চীঙোল নৈমা ৪শিনা কোল্লি।
চীংঙ্গ পীশুমবু কোনবা লাইদি - অয়াংলৈমা পাছোইবী মচিন মনাওনা কোল্লি।
অয়াংবমনা অয়াংলৈমবু লাথৈচ চিংঙাখমনা পাছোইবী লাথলি।
থাংমৈবন তাবা হিজয়া - লাইজিং নিংথৌ লাইজিং নৈমা ২বু লাথলি।
লাইচন্তি লাইজিংবু তোলহৈয়া, তোনু লাইজিংলেম্বী ২গী লাইচথনি।
খোংদগী লাকপা হিজম - নোঙাংলৈমা নোঙা নিংথৌ লাথলি। লাইচন্তি নোংপোক পাছোইবীনি।
ককরা তাবা লাইশ্রম - লাইশ্রম লাইরেম্বী, লাইস্না ২বু লাথলি।
শুহইরৌ তাবা কোইজম - কোইরেল নৈমা কোইরৌলাকপা ২বু লাথলি।
রাইখোংতাবা রাইখোমনা - রাইখোম লৈকাইদা লৈদুনা থুমখোং লাইসনা পাখংবা ২বু লাথলি।
শোরাম - যুমজাও লাইরেম্বী অপানবগা লাথলি। শোরারেনগী শরুকও তমগানি লাইচন্তি লুরাংলৈমা নোংপোক অপানবা ২গী লাইচথনি।
ময়েংবম - যুমজাও লাইরেম্বী লুরাংগা ফম্বীন্নে লাইচন্তি পাখংবা লাইস্নানি। ভুংদা য়াওরোইবা নাওফংবা কৌথিএ
ইরাম - যুমজাও লাইরেম্বী/নিংথৌ পোকপী মমানি হাইদুনা মতোমতা লাথলি। যুমনামনা যুমজাও লাইরেম্বীবু লাৎপদি পাখংবগা ফমদেহল্লি।
চিংখ্রখম - যুমজাও লাইরেম্বী নোংনিংথৌগা ফম্মি
শরাংথেম - যুমজাও লাইরেম্বী মদোমতা লাথলি।
লৈশাংথেম - যুমজাও লাইরেম্বী মতোমতা লাথলি।
ভুংদ তাওবুং খোংদৌবা শোংঙারাবা মখোইগীশু য়াওনা লাথখিএ।
খোঙাম লৈকাই - পাঙনবা মমা মচানি।
মোন্দুমতাবা খোংঙাম - পাঙনবা লাথলি।
ফকচাওতাবা খোংঙাম - রাংব্রেন

থেং মথং ইরেমা পাজনবা মগী বুপী য়াওনা লাথনি
হুকুন তাবা - পাজনবা কালিকা লাথনি।
কোমলায়োং নকুপাং তাবা - পাজনবা কালিকা লাথনি।

১৮ বুমখোং নাইথ্রেথীনা কোনবা

নমদেং	কসাংক	অনৌখু	লম্বাদোং	রিংনেম
পাংখেম	বাইখোং	রাংখিং	শিংখোং	নিংত্রুন
চন্দ্রখোং	নোয়াতা	সৈতন গোকপী		চিংগেই

বুকল গোকপনা কোনবা কম

হেরুকজ, লোকপাচিং, মরাং ইকাম, চেৎচ পাং, গোইয়াং শগোত, পুরাটাং, নময়ক, বায়োক, কেংইচাং তাওকাম, কুরংচিং, মেরাখোং, হুকুল নাইশাক, ব্রেলাও, তোকলা নাইচাও পেহীরেতোম্বি।

১৯ নাইনিতৌ নাইহুনা কোনবা

নাইথেন, পাকলুনাই, কাঠি বুন, লেতোং, মরাং, বরদ্যাং
বৈকবাখোং, চিংমাং বাইকোম, গুইনাম, কৈলৌ, নয়নশৈন, মন্দংখোং,
নাইনকেল, টকল, কিয়াচে, কলাংগাং, ককনুং, শেভাকে, নোয়াতা
কুম্ভাখোং নাইচাও পেহিলাওতা নাই দিনবনি

২০ পাখংব খোং

কংলা, কৌব্র, মরাম, শুগুনু শিংজংখোক, হৈঙাং মপাও, তোবুং, থাংজিং, হুন্দুং, খান্তক, নোংমাইজিং, লোক্তাক, ইকোপ, ফামদু খুলেন, রাইথৌ (খমপুক), কাইরোং, মকেং থাঙ্গাল, শলরিক, শগোলতোংবা, কিয়ামগৈ, লাংথবাল, লাংমৈদোং, শামুরৌ, চোথে, লৈশাংখোং, লাঙ্গোল, কৌব্রুক, চিংখৈ, কংলা, কোংলু কোংমৈ লমশিংশে মতম মতমগী নিংথৌনা পাখংববু লাথলি।

বাপু খুন্থোক্লোন

অইবা:
এল: মংলেম মৈতৈ
লাইরেঞ্জম ঔরাং লৈকাই,
মেকোলা

ৱাহৌদোক

লৈবাক অশিদ বামোন লাকপা নিংথৌরোন ৩৭শুবা নিংথৌখোম্বনা পানবা মতম খৃঃ ১৪৩২গী মনুংদা বামোন অনি রাধা কুন্দদগী লাকপশিনা অহানবনি। মখোইনা লাকপগী মরমদি মখোইনা চৎচবা ধর্ম্মবু লৈখাতানা মাংহল্লকপা মিনুংশি খংদনা ওৎ নৈরকলবদা খাংবা ঙমদদুনা চংজফম থিরকপনি। মখোইনা তাবদা লৈবাক অশিদি ধর্ম্মবু য়োকপিবা মিনুংশি লৈবা লৈবাক অমনি মখোইগী চংজফম নিরুশি হাইদুনা লাকপনি। নিংথৌনা ফম্বাল তোংবা মতমদা (শ্রী পঞ্চযুক্তেশ্বর মহারাজো রানি) হাইবা ৱাহৈবু নিংথৌদা কত্তুনা ওল্লোইনা কপ্পুনা লাওদুনা লৈরবদা নিংথৌনা চানবিদুনা সনা নাক্তা অচানবা অমা ওইনা থম্মখি।

মখোইনা অহানদা নিংথৌদা কৌখিবা মিঙৌ (রাজ-রানীবু) পামজব উবদগী মতম অদুগী লোংলেম শংলেন পুরা থাংহিংঙাইবা. কাইবিরোন মরু লোইয়াম্বা অনিনা তুংদা পোহদনা মখোইগী কাংবু লৈবাক অশিদা লৈররনি খংদুনা বাপু - বামোন খঙ্হোকলোন কৌনা মখোইনা কদাইদগী লাকপনো, মখোইনা কদাইদগী লৌদুনা মুন্নাকনা করি মুন্নাক্তা করম্না মফমদা লৈহনখিবগে খংহৌনবা থম্নীরম্না লাইরিকনি। লাইরিক অশিদা মাইচৌশিংনা মথং মথং শমথনা লাকখিবা বামোনশিংবু খুঙ্হোকলোন কৌনা থম্নীরম্বা লাইরিকনি। লাইরিক অশি লৈখিদ্রবা চান্নবম বিরহারি উরিপোক খোইস্নাম লৈকাইদা লৈবিরম্বদগী শিঙ্গহৌবনি। ঐনা ফংজহৌবদগী খাকহৌবা তৌদনা খ্বাইদা লাম্ভোকচরবনি।

অইবা

এলঃ মংলেম মৈতৈ

আঞ্জি ইঙাল লৈশাববু পুরুম্না ইজরক্কে,
করি পাউনো মিয়ান পাউনে
বাপু খুম্ব্লোক্লোন মিংহুন
শ্রী শ্রী পঞ্চযুক্তেশ্বর মহারাজ
লাংবচক্কি কুমশিং ৪৫৩৩,
নোংদালাই কুমশিং ১৪২৫
মৈতৈঙু কংলৈ পিবা নিংথৌখোম্বগী সনা হাক্তক
পিবালোন ৩৭ শুবগী ফম্বান তোংবদা
মিয়ান বাপু অনিনা লৈরাংলব য়ারা পাউশাবু
রাখল্লুবদা লুতুং পরম্বু থৌয়েংনা
নোংদম শংলেন পুবা নোংদম থৌদাদুনা
কাইবিরোন মরু লোইয়াম্বনা বাপু অনিগী
মমিংনা চৈহৌ লাইয়েক্লা বাপু খুম্ব্লোক্লোন
মিংহুন্না পুবারি অমা থমহৌনবা
তুঙ্গীগু পাউশানা য়েক্তুনা থম্না হৌরে
শ্রী শ্রী পঞ্চযুক্তেশ্বর মহারাজ্জো
মিংহুন তাবদা মরুনা পাওশাই,
কল্লি পাওনো মিয়ান পাওনি,
ঔরাং চাওগোন লৈফম লৈথি
পাওশা চিরোন চিহাই বাবু তাবদা,
অয়াং পাওবু পাওরৌনা লৈরম্বা লাইমিংশিল্লনি।
নশক ইশক লৈমুং লৈথম্লরনি
মিয়ান য়াহিপ চাক্তবা হৌরে
পাগী পুগী মেনফমদা
মিয়ান য়ারানা উরেপ উযুং লৈহুন্না,
চিরোন চিহাই য়াকৈ লৈথুংনখিবনা
অচান নাওয়োক্লবদগী, ঔরাং চাওগোন

লৈফম লৈঙম লৈপিবদগী
নঙ্গী ঐগী লৈশক লাইয়েক হোংনখ্রনি।
নং ঐগী লাইরকচন চৎলম লুতিন
লৈঙম্লিবা অশিদো মিয়ান্না মুন্দুনা
মিয়ান চৎলম লৈশানা,
চৎলম লাইমিং লৈনপ্পা ইনৌ শিন্দম্লগনি।
মিয়ান বাবু লৌৰুবদ
লৌনম লাইরোন তানফংনা লৈতাক লৈপুনগনি।
অমা ওইবা লাইশকপু ম্নি থেক্লে
পাওশা শিন্তাক্লদুনা লাইয়েক লাইশোন
লৈমুৎ শিন্তাক থৌপু থৌঙম্লবদগী
মিয়ান বাপু লৈনপ লৈতাংবা অশিদো
তোং তোং কাংবু লৈফম্লরকখিনি,
বাপু নত্তে লাইগী মরোন মচিঙ্গী
পাওশা শিন্তাক্লঙম্মি,
হে হংশাও যাংলৌনা লিচিংনা
পুরুম লৈপাইনরকলরোই ...।
নিংশিংনবা লাক্কনি, নপুক উনবি তপ্পা
লৈ... লৈখল্লৌ, পুরুম লাইয়েক লৈতুনা
পুগী চৎলম থৌপু থৌঙম থৌপুনবা লাকখিনি।
হা খোমদোন মৈহৌব
চেৎনা য়াল্লা লৈফোংঙু লৈরাৎ লৈফোংনহৈদে,
নামুং চৎলম লংজবনে
থাংহিংতাইবা শংলেন মপুগী
নোংদমদগী কাইবিরোন মরু
লোইয়াম্বনা মচা মনাইশিংদা
তুঙ্গীদমক য়েংনা ফোংলবা রানে।

৩৭ শুবা পিবারেল
নিংথৌখোম্বা স্না হাক্তক

লাংবচক্কি কুমশিং ৪৫৩৩ নোংদালাই কুমশিং ১৪২৫দা কংলে স্নালৈবাক্তা ময়ুম ৭কি পিবা নিংথৌখোম্বনা নিংথৌ ওইরে। নোংদালাই কুমশিং ১৪২৬ তা পিবা ফম্বাল তোংলিংঙদা মিয়াম বাপু মচা ২ চংলক্তুনা শ্রী শ্রী পঞ্চযুক্তেশ্বর মহাবাজো, রানী হাইনা লৈমাই থক্তা ওম্বোইনা কন্থুনা হাইজরৈএ। মরোনবু খংব ভক্তদুন্দ শংলেন মপু মরু থাংহিংঙাইবদা হৎজবদা মরুনা পাওশারিব অশিবু কম্বিরু হাইবনো ঐবু খংবা রাক্তমলে মপুক্কিঙী রাখনবু ফোংদোকপা ওইনা উই। অনি অশি বাপু হাইবা এলুপ অদুনি মখোইনা হাইরিবদি মখোইগী চৎলম লুতিনবু থাদোকউ ঐখোইগী লাইরচন অশিবু চৎকদবনি, ঐখোইনা চাব চাগদবনি হাইনা নমথেক্রবা থৌপুনবিবগুম চৎলম লুতিন তিন্নদব শখাই এলুপ অমনা য়াম্না খুদোংথিনা ওৎনৈবিদুনা বাপুশিং মখোইগী চৎলমু মাংহনখিবগু য়াওরমান্নে, বাপু মাগী লাইরকচনবু কনবিয়ু নফম্নাংদা লৈনি থৌনিজরিবা রানি। মরুগী রাবু তাবদ নিংথৌখোম্বনা, "বাপু অনিমক অরাব রাখল থাদোক্রো বাপু নঙী চৎলম লুতিন লাইনিং লাইশোনবু মাংদ-মুক্তনব কংলে পুংমাইয়োন্দ পাগী পুগী ফম্বান মেন্দ ফম্বান্ন লৈকন থৌবু থৌগুমগনি কোরৌ গুসিদগী হৌনা ইনাক্তা লৈরো" হাইদুনা লৈব হৌরে।

১ অনিশি রাধা কুন্দদগী লাকই হাই। মমিংনা বিদ্যাগুর বিপুল শর্ম্মা, হরিবিদ্যা লংকার কৌই, মপা মচানি। অনিমক কিয়াম্বগী মচাইবুংগো সনা হাক্তক ফাওবা লৈরম্মি নাওদদনা শিখিএ।

৩৮ শুব মৈতৈঙু কিয়াম্বা সনা হাক্তক

লাংব চক্কি কুমশিং ৪৫৬৮ নোংদালাই কুমশিং ১৪৬০তা পানব পঞ্চযুক্তেশ্বরগী সনা হাক্তক্কি লাংবচক্কি কুমশিং ৪৫৭১ নোংদালাই কুমশিং ১৪৬৩ দা কবো ক্যাং লান্নাবদা পোংনিংথৌ চৌফা থ্যাক খোম্বদগী বিষ্ণু ভগবান ফংলক্লে। কুম অশিদ কলকতাদগী বাপু বিদ্যা বাগেশ্বর রঘুনাথ, মনাও বিদ্যানিধিনারায়নগা, তখেন্দগী রামা চার্য শর্ম্মগা, শুধিনরায়নগা মখোই ৪ লকই।

২ লাংবচক্কি কুমশিং ৪৫৭২ নোংদালাই কুমশিং ১৪৬৪গী ইস্তা থাগী ১৫নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা বিষ্ণু ভগবানগী সেব হৌদুনা কলীকতাদগী লাকপা বিদ্যা বাগেশ্বর শর্ম্মগা, বিদ্যানিধি নরায়নগা ২দা সেব ফংহনবদগী (বিষ্ণুলাৎপম য়ুমদাই)। (নাওদারমদে)

৩ লাংবচক্কি কুমশিং ৪৫৭৯ নোংদালাই কুমশিং ১৪৭১দা কংলৈ পুংমাইয়োনগী মনুং লৈকোইবদা ফুরা লাইয়ুম অমদা লাইরেম্বী খুথলোংবী অমা নুঙদা য়েক্কুনা লৈরমদুনা ফুরা অদুদা লৈরম্বা লাইবু তখেন্দগী লাকপা রামা চার্যগা শুধিনারায়নগা মচিন মনাওবু সেব ফংহন্দুনা (ফুরা লাইলাৎপম) য়ুমদারে।
(নাওদরমদে)

৪ বিদ্যাশুর বিপুল শর্ম্মনা (অহানব লাকপা মপা মচা) বিষ্ণু পুরুম লৈপাইবগী থৌরমদা শিল্লাংদুনা নোংদম থৌপুনা লৈদুনা (অধিকারি শাব ময়ুম) হাইদুনা লৈরে। (নাওদদে)

মচা হরি বিদ্যালঙ্কানা অঙাংশিংবু লাইরিক তম্বীহন্দুনা লৈবদগী (বাপু লাইরিকয়েংবম) হাইনা লৈএ। (য়ুম্বাল্লমদে)

মৈতৈঙু কিয়াম্বনা বাপু লাকঙম্ব মখোইগী মীতিনফম শংলেন শাবিদুনা নুংঙাইনবা হোথনৈ হাইব পাউবু মফম খুদিংদা তানদুনা মিয়ান লমদগী মথং মথং লাক্লদুনা মফম অশিদ য়ুমদা য়ুমলিংনদুনা লৈররে।

৫ সনা হাক্তক অশিদ নোংচুপ তখেন্দগী লাকপা শুধিনরায়ন্না হাওকৈ চন থোইনু পান্নদুনা মাগী ঈনা নাওদারমদবা (ফুরা লাইলাৎপম=ফুরাইলাৎপমদা) তিল্লে।

৬ তখেন্দগী লাকপা মি শ্রীপিতম্বরনা ঙপ্রুম হাওচনু হোংবী পান্নদুনা (চৈথাবপিতম্বর ময়ুম) য়ুমদারে।

৭ তখেন্দগী লাকপা মিশ্রী পান্দানা ময়াং নাচৌ চনুনে, কুম্বী চনু রন্দানে অনি পান্নদুনা মাগী ঈনা (পান্দা ময়ুম) য়ুমদারে।

৮ গুজরাৎতগী লাকপা শ্রী রহিধরনা মতু হেরাইনিগা মনাও অমগা পুদুনা মখোই অহুম লাক্লুনা মাগী ঈনা (শ্রী ময়ুম) হাইনা য়ুমদানা লৈরে।

৯ নেপান্দগী লাকপা শরঙ্গীনা ময়াং হৈখোং চনু ফম্বী পান্নদুনা মাগী ঈনা (গোতি ময়ুম) হাইনা য়ুমদারে।

১০ তখেন্দগী লাকপা দুমপতিনিগী গঙ্গারামনা শেক্তাকৈ চনু মাইমু পান্নদুনা

মাগী ঈনা (শিজগুর-ময়ুম) হাইনা লৈরে।
১১ তখেন্দগী লাকপা ঘনরাম তন্ত্রধারনা ময়াং হৈখোং চনু কুমু পান্নদুনা মাগী ঈনা (ককচিংতাব) হাইনা য়ুমদানা লৈরে।
১২ তেখাওদগী লাকপা রাঙাচরন্না হাওকৈ চনু ভিংবী পান্নদুনা মাগী ঈনা নাওদদব বিদ্যাভুরবিপুল শর্মগী য়ুম (অধিকারি য়ুমদা) তিরে।
১৩ নদিয়াদগী লাকপা শিতারাম্না লাংনুজম চনু মাইতেকপী পান্নদুনা মাগী য়ুমদা (শ্রীদাম য়ুম) হাইনা য়ুমদাদুনা লৈরে।
১৪ নদিয়াদগী লঘোইব তেন্নর অমা লাকই। মানা কুমী চনু শমদেনবী লৌদুনা মাগী ঈনা (বাসপতী য়ুম) হাইনা লৈরে। (লঘোইবনা য়ুমাল্লব নাওদানে।)
১৫ তখেন্দগী জবসিং কৌবা অমা লাকই। মানা পেরেখোংবম চনু ধূনী পান্নদুনা মাগী ঈনা (লৈখুনচংবম) হাইনা য়ুমদারে।
১৬ নদিয়াদগী জানজুন কৌবা অমা লাকই (নাওদদে)।
১৭ তখেন্দগী লঘোইবা রঘুনাথ দাশ লাকই। মানা শামু পন চনু চাওবী পান্নদুনা মাগী ঈনা (শঙ্কুকি য়ুম) হাইনা লৈরে। (লঘোইবা মচানে)
১৮ তখেন্দগী হরিদেব কৌব অমও লাকএ। মানা কুমী চনু শমকবী পান্নদুনা মাগী ঈনা (ধ্যানাদাশ ময়ুম) কৌনা লৈরে। (লঘোইবা মচানে)
১৯ তখেন্দগী হরি বিদ্যা লংকার কৌব অমা লাক্লুনা তাংখম কৈ চনু মাইমুবী পান্নদুনা মাগী ঈনা (তখেনচংবম) হাইনা য়ুমদারে।
২০ তখেন্দগী লঘোইবা গনেসগিরি লাক্লুনা ময়াং তৌকুল চনু হাওবী পান্নদুনা মাগী ঈনা (লৈহাও থাবম) কৌনা য়ুমদারে। (লঘোইবনা য়ুমলিংব মচানে)
২১ কানপুরদগী দামুদর কৌবা অমা লাকই। মাগী য়ুমদি (লৈহাও থাবমদা) তিনখি।
২২ শিলোং কুলিগ্রামদগী পরমানন্দ কৌবা অমা লাকই। মাগী য়ুমদি (ককচিং তাবমদা) তিন্দুনা লৈখ্রে।

৪১ তব মৈতৈগী নোংইন কাবগী হাক্তক

২৩ লাংবচক্কি কুমশিং ৪৬২৩ নোংদালাই কুমশিং ১৫১৫দা সনা নাক্তা লাকপা, ঔরাং হাওবগী য়ু খরুং পুদুনা (য়ু য়োনবা শাদুনা) অশাম শুনারান্দিদগী শুধিরাম কৌবা অমা লাকই। মানা লোইদাং চনু নিঙোলবী লৌদুনা লৈরে। মাগী ঈনা (খরুংবা হিদংময়ুম) কৌনা য়ুম লিংলে।
২৪ গোনোক পুরদগী মনিরাম কৌবা অমা লাকই। মানা হাওচোংবম চনু ঙৌবী পান্নদুনা মাগী ঈনা অরাম্বমদা তিনখরে।

৪৪ শুব মৈতৈঙু চলাম্বগী হাক্তক

লাংবচক্কি কুমশিং ৪৬৪৬ নোংদালাই কুমশিং ১৫৩৮ চৈথাবা চবুংবম লম্বকা, শকাব্দ ১৪৬৭ কুমঅশিদ লাকখিবা-

২৫ গৌরনগরদগী গোবিন্দ গিরি কৌবা অমা লাকই। মানা পনম চনু অপানবী পান্নদুনা মাগী ঈনা (হঞ্জবা চন্দ্রশামময়ুম) হাইনা য়ুম্মদরে।

২৬ কানপুরদগী কৃষ্ণচোরন ভেল্লারি কৌবা অমা লাকই। মানা ঙাইখোং চনু কোনৌবী পান্নদুনা মাগী ঈনা (খুরাই তাব কনৌজী ময়ুম) য়ুমদারে।

৪৫ শুব মুংয়াংব হাক্তক

লাংব চক্কি কুমশিং ৪৬৬৩ নোংদালাই কুমশিং ১৫৫৫ চৈথাব মোইরাংথেম খোম্বগী কুম শকাব্দ ১৪৮৪ লাকখিবা -

২৭ গৌরদেশতগী কৈলানবর মতুগা লোইননা লাকই। মচা রাঘুনাথকা. শ্রীনাথকা পোকই। রঘুনাথনা নিংঙোল লাকপীনে, কবো চনু পোশারীনে, শাইখোম চনু চিন্দীনে অহুম পান্নে। রঘুনাথগা গোনোক থেংবরাইগা মতাও শান্নদুনা লৈমিন্নে। গোনোক থেংবরাইনা হাওখোঙ চনু য়াংবী পান্নে। য়াম্না নৌনা মতু শিখিদুনা রঘুনাথনা মাগী মতু অতোনবী শাইখোম চনু চিন্দীব ০গী নাওপুরবদ গোনোক থেংবরাইদা পীদুনা পান্নহল্লে। চিন্দীনা ক্ষেত্রোরগা জিবনাথকা অনি পোকই (গুরু ময়ুম) য়ুমদারে।

লাংবচক্কি কুমশিং ৪৬৭৬ নোংদালাই কুমশিং ১৫৬৮ চৈথাব মুব খুথহেব, শকাব্দ ১৪৯৭ কুম অশিদা মচাইবুংঙো খাগীঙম্বা = খাগেম্বা পোকই। কুম অশিদ -

২৮ শান্তিপুরদগী হরিহর কৌব অমা লাকই। মানা ঙাথেম চনু লৌরেম্বী পান্নদুনা মাগী ঈনা (লৌবুক্তোংবম) য়ুমদারে।

৪৬ শুব খাগেম্বগী হাক্তক

লাংবচক্কি কুমশিং ৪৬৯৮ নোংদালাই কুমশিং ১৫৯০ চৈথাব থৌদাম মিশাং, শকাব্দ ১৫১৯ দা।

২৯ গৌরদেশতগী য়াঙংৎ কৌব অমা লাকই। মানা ক্ষেত্রিশঙ্গি ময়ুম চনু হেরিনী পান্নদুনা মাগী ঈনা (কোংব্রাইলাংপম) য়ুমদারে।
৩০ গৌরদেশতগী জুগীজয়ারাম কৌব অমা লাকই। মানা মনাবা চনু শেম্বী পান্নদুনা মাগী ঈনা লৌবুক্তোংবম হাইনা লৈবদগী কোংব্রাইলাংপমদা চংখ্রে। (লৌবুক্তোংবমদগ কোংব্রাইলাংপমদা চংবনি)
৩১ কলিকতাদগী শ্রীনাথ লাকই। মানা য়াইরপোক চনু মাইবী পান্নদুনা মাগী ঈনা (শান্দু লাই লাংপম) য়ুমদারে।
৩২ কলিকতাদগী লাকপা ব্রজনন্দনা চরাংপাৎ তাইমজম চনু হোংবী পান্নদুনা মাগী ঈনা বিষ্ণুগী সেব তৌব হৌরম্বা নাওদরমদব বিদ্যা বাগেশ্বর রঘুনাথকী য়ুমদা চংদুনা (বিষ্ণু লাংপম) য়ুম ওইরে।
৩৩ অশাম ঘোশান পবাদগী পানিনাথ কৌব অমা লাকই। মানা ককচিং চনু পিনী পান্নদুনা মাগী ঈনা (হিদংময়ুম) য়ুমদারে।
৩৪ কুলিগ্রামদগী জগন্নাথ অচর্য লাকই। মাগী ঈদি (শংলাকপম) য়ুমদাই।
৩৫ বরনগর ঘোশানপুরদগী পানিপাথ কৌব অমা লাকই। মাগী ঈদি নোংদালাই কুমশিং ১৪৬৪দা বিষ্ণু সেব তৌখিব বিদ্যানিধী নরায়ন চাবোক্তবগী য়ুম (অবিবম বিষ্ণু লাংপমদা) তিল্লে।
৩৬ অশাম ঘোশানপবদগী পানিনাথ লাকই। মাগী ঈনা (খোংথাতাবম) য়ুমদাই।

লাংবচক্কী কুমশিং ৪৭০৪ নোংদালাই কুমশিং ১৫৯৬ চৈথাব হকরাম্বেম খুঞ্জাও, শকাব্দ ১৫২৫গী কুমদা মিয়ান বাপু অমুক লাকই।
৩৭ ববনগর ঘোশানপুরদগী আদিনাথ লাকই। মাগী ঈনা য়াংখৈ মিয়ান বাপু লৈকাইদা (অরিবম তমপাক লাইলাংপা য়ুম) কৌনা লৈরে।
৩৮ বরনগর ঘোসানপুরদগী আদিনাথ কৌব অমগু লাকই। মাগী ঈনা (অরিবম শগোল লাই লাংপা য়ুম) হাইনা লৈরে।

৩৮ওব পাইখোম্বা হাক্তক

লাংবচাহি কুমশিং ৪৭৬৬ নোংবালাই কুমশিং ১৬৫৮ চৈথাব হাওরোইবম অথিং, শকাব্দ ১৫৮৭ তা মিয়ান বাপু অমুক লাকই।
৩৯ প্রয়াক্তগী লাকপা ব্রহ্মচারি বিষ্ণুরামনা মরাং হৈয়োক চনু পুনি পান্নদুনা মাগী ঈনা (ব্রহ্মচারি য়ুম) তারে।

৪০ ব্রহ্মচারি চক্রবর্ত্তিনা মতুংগা লোইননা লাক্লুনা মাও (ব্রহ্মচারি য়ুম) তারে।
৪১ মুণ্ডখপাওদগী জোয় কৃষ্ণ লাকই। মানা লৈশাংখোং চনু পন্না পান্নদুনা মাগী ঈনা (হৈককশি ময়ুম) য়ুমদারে।
৪২ তখেন্দগী গোনোক শুবলগা মনাও বলারামগা মচিন মনাও লাকই। শুবলনা থিনুঙ্গৈ চনু মোনশানবী পান্নদুনা কোংয়াম্বা পোকই। কোংয়াম্বনা শিরবদা মতু য়োইরাংখেম চনু হাওবীবু শিজগুরু ময়ুমগী খুইব শিধান্তনা লৌরে। মচাও ইচানি হাইনা লৌরে। মচাগী মমিংদি মেঘরাম কৌই। মেঘরামগী ঈদি (শিজগুরুময়ুম) হাইনা লৈরে।
৪৩ গোনোক বলারামগু লানশোনবী চনু মুবী পান্নদুনা মচা প্রেমানন্দ পোক্লে। প্রেমানন্দনা বাসপতী চনু নন্দিনী পান্নদুনা মচানিপা অমা পোক্লে। প্রেমানন্দনা শিরবদা বাসপতী চনুবু অরিবম শগোল লাই লাংপনা লমথোক্লা লৌখরে। মচাগু লৌশিন্দুনা মাগী ঈদি (অরিবমদা) তিরে।
৪৪ লাংবচক্কি কুমশিং ৪৭৬৭ নোংদালাই কুমশিং ১৬৫৯ চৈথাপ অঙোম লংজা, শকাব্দ ১৫৮৮দা গুজরাত্তনী লাকপা মুকুন্দনা (বাসপতী য়ুমদাম) হাইনা লৈখি।
৪৫ নন্দগ্রামদগী মতিরাম ধোবী অমা লাকই। মাগী ঈদি রাংখৈ বাপু লৈকাই তাবা (অঙোম লাই লাংপা গুরুয়ুমনে)

৪৯ চরাইরোংবগী হাঙক

৪৯ শুব চরাইরোংব লাংবচক্কি কুমশিং ৪৭৯৮ নোংদালাই কুমশিং ১৬৯০ চৈথাব চনম গোশোয়া=চান্নবম সভাগী কুমদা মিয়ান বাপু অমুক লাক্লুনা লৈরে।
৪৬ তখেন্দগী লম্বোইব লাইপুব নিশিরাম কৌবা অমা লাকই। মানা অহোঙ্গৈ চনু মাইপাকপী পান্নদুনা মাগী ঈনা (লাইপুবম) (লম্বোইব শচা হাইন) য়ুমদারে।
৪৭ জাবোতরুলা ফয়েং চনু শিতু পান্নদুনা মাগী ঈও (লাইপুবমদা) তিন্দুনা লৈখিএ।
৪৮ জগনাথনা বিচিত্রাপুরি কৌবা অমা লাকই। মানা কৈচনু খোঙ্গোনবী পান্নদুনা মাগী ঈনা (হংঙোইবম) হাইনা য়ুমদারে।
৪৯ লাংবচক্কি কুমশিং ৪৭৯৯ নোংদালাই কুমশিং ১৬৯১ চৈথাব হৈস্নাম

হিমাল, শাকব্দ ১৬২০ কুমশিদা মথুরাদগী বিমালা কৌবা অমা লাকই। মানা পাংঙন চনু তয়া পান্নদুনা খরবা পোকই। মাগী ঈনা (হংঙোইবমদা) চংখ্রে।

৫০ নোদিয়াদগী মনোহরদাস কৌবা লম্বোইবা অমা লাকই। মানা শোংবু হাও চনু মাইতেনবী পান্নদুনা মাগী ঈনা (মনোর ময়ুম) য়ুমদারে (লম্বোইবা মচানে)।

৫১ রঘুনাথ হাইবা অমা লাকই, মানা অহোংকৈ চনু চাওবী পান্নদুনা লৈএ। মাগী ঈনা (গোপাল হঞ্জবা ময়ুম) ওইখি।

৫২ জগনাথতগী বনামালি কৌবা পান্দা অমা লাকই: মতু লোইনরকই। মাগী ঈনা (গুরু অরিবম) য়ুমদারে।

৫৩ তখেন্দগী গঙ্গরাম কৌবা অমা লাকএ। মানা শেক্তা কৈ চনু মাইমু পান্নদুনা (লাইময়ুম) হাইনা য়ুমদারে।

৫৪ লাংবচক্কি কুমশিং ৪৮০০ নোংদালাই কুমশিং ১৬৯২ চৈথাব শাইরোম মাছৌ, শকাব্দ ১৬২১দা তখেন্দগী শশুপাল কৌবা অমা লাকই। মানা ময়া তৌবুল চনু মুবী পান্নদুনা মাগী ঈনা (লাইময়ুমদা) তিনখ্রে।

৫৫ তখেন্দগী মিশ্রীজগদিশব কৌবা অমা লাকই। মানা লাংনুং হাও চনু মাইচোনবী পান্নদুনা (চৌদ্রি ময়ুম) কৌনা য়ুমদারে।

লাংবর্চাক্ক কুমশিং ৪৮০১ নোংদালাই কুমশিং ১৫৯৩ চৈথাব নিংতোম্বম মাইচৌ, শকাব্দ ১৬২২দা

৫৬ তখেন্দগী শুরথনে, দশরথনে, উধপনে মখোই অহুম লাকই। শুরথনে, দশরথনে ২দি গোনোক য়ুমদা চংখিদুনা (গোনোক) য়ুমদারে।

৫৭ উধপনা হাওচোংবম চনু ঙৌবী পান্নদুনা (লাইময়ুমদা) য়ুমদারে।

৫৮ উরিষাদগী লম্বোইবা মানু কৌবা অমা লাকই। মানা কৈখু হাও চনু মাইচোনবী পান্নদুনা মাগী ঈদি (শামু লাই লাৎপমদা) চংলে।

৫৯ উরিষাদগী বৃন্দবন কৌবা অমা লাকই। মাগী ঈদি (গুরু অরিবম) কৌনা য়ুমদানা লৈরে।

৫০ পামহৈবগী হাক্তক

৫০ শুব পামহৈবা সনা হাক্তক্তা লাংবচক্কি কুমশিং ৪৮১০ নোংদালাই কুমশিং ১৭০২ চৈথাব নৌনিওজম খোংগুম, শকাব্দ ১৬৬১দা নিংথৌ ওই।

লাংবচক কুমশিং ৪৮১২ নোংদালাই কুমশিং ১৭০৪ চৈথাব রাংখৈলাকপা কোংয়াম্বা, শকাব্দ ১৬৩৩ দা -

৬০ তেথাও অশামদগী শুপ্রানন্দগ, প্রমানন্দগ অনি চেল্লক্লুনা লৈরে। রামজি প্রভুগী সেব তৌবশু হৌই। নোংদালাই কুমশিং ১৭০৫ চৈথাব অখাম ঙাইখোঙ্গী কুম শকাব্দ ১৬৩৪দনি। (প্রমানন্দনি)

৬১ শুপ্রনন্দনা সলাম চনু পান্নদুনা মাগী ঈনা (হঙ্গব) য়ুম্মদারে।

লাংবচক্কি কুমশিং ৪৮১৫ নোংদালাই কুমশিং ১৭০৭ চৈথাব ইরোম কোংয়াম্বা, শকাব্দ ১৬৩৬ তা অশাম ঘোশান পুরদগী ভাসকর শম্মনা পাংঙন হঙ্গব অমগা পুদুনা লাক্লগা সনা নাক্ত থৌগল্লে।

লাংবচক্কি কুমশিং ৪৮২২ নোংদালাই কুমশিং ১৭১৪ চৈথাব থৌদাম হৈতোন, শকাব্দ ১৬৪৩ দা। শিলোত্তগী শান্তদাশ কৌবা লম্বোইবা অমগা অহুম্মক লাক্লুনা সনা নাক্ত লৈরে।

৬২ মালোম দাশনা চেনখিদুনা কৈখু হাও চনু হাওবী লৌদুনা মাংখ্রে : (লম্বোইবা মচানে।)

৬৩ রামদাশন কবুই হাও চনু হাওবী লৌদুনা মাংখ্রে, (লম্বোইবা মচানে।)

৬৪ শান্তদাশনা মৈতৈঙু পামহৈবা চনু রাঙমলোন লৌএ, নাওদাখিদে।

৬৫ শ্যাম বৈরাইগা, বনাথাকুর মচিন মনাও অনিমক কৈ চনু অমমম পান্নে, (লম্বোইবা মচা য়ুম্বানবনে।)

৬৬ নাথাকোন্না মরিং হাও চনু কোনবী পান্নে। মাগী ঈনা (তিনখাক মযুম) কৌনা লৈরে।

লাংবচক্কি কুমশিং ৪৮২৮ নোংদালাই কুমশিং ১৭২০ চৈথাব নিংথাম্ম কিয়াম্বা শকাব্দ ১৬৪৯ দা রাংখৈ নিংথেম পুখ্রি জয় পতাল শগরবু বিষ্ণুদা কৎনবা থৌরাংবদা পরমানন্দগী মতু শামু লাইলাৎপম চনু নে' লনঙম্বী = নোঙ্গঙম্বী পুখ্রিদা লুপখি। মতুংদা খোম য়ৈরিবা মচানিপা অমশু মমানা পুথখি।

নোঙ্গঙম্বী পুখ্রিদা লুপখি। মতুংদা খোম য়ৈরিবা মচানি ।। অমশু মমানা পুথখি।

লাংবচক্কি কুমশিং ৪৮৪০ নোংদালাই কুমশিং ১৭৩২ চৈথাব লাংপোকলাকপম মুরারি, শকাব্দ ১৬৬১ দা অশাম ঘোশান পুরদগী ভাবনন্দগ, দামুদরগ, রামচার্য্যগ অহুমশি লাক্লুনা সনা নাক্তা লাক্লুনা লৈ। শ্রী ভাগবতপুরানগী অর্থ তৌনবদ ঙমদদুনা চেন্নখ্রে। শান্তদাশগ লোইননা লাইরিক লৌবনি হাইদুনা চৎখিবনি। ভাসকরনা ঙমদুনা লৈহৌএ।

৬৭ তখেন্দগী প্রেমানন্দ লাকই। মানা তখেন চনু শতী পান্নদুনা (হঞ্জব য়ুম) কৌনা লৈএ।
৬৮ তখেন্দগী পাঞ্জি অনিদ্রাম লাকই। মানা হৈয়েল চনু মুংবী পান্নদুনা (গোপাল হঞ্জব ময়ুম) (হাজারি ময়ুম) য়ুমদাই।
৬৯ অশাম শুনারান্দীদগী লাকপা জদুরামশু য়াংঙম চনু নোইবী পান্নদুনা (হিদং ময়ুম অনৌবা) হাইনা লৈরে।
৭০ কান্যা কুঞ্জদগী শেখরানন্দ তেরারিনা য়াইখোম চনু হোংবী পান্নদুনা অনৌবম য়ুমদারে। মাগী ঈনা (উরিবোক তাবা অনৌবম) য়ুম শমথহৌই। চিংথংখোম্বগী হাক্তকনি।
লাংবচক্রি কুমশিং ৪৮৭৬ নোংদালাই কুমশিং ১৭৬৮ চৈথাব হাও মচা রাম, শকাব্দ ১৬৯৭দা লাকপা -
৭১ তখেন্দগী জোয়ো লাক্নুনা লৈ। মাগী ঈনা (রাব হঞ্জবা ময়ুম) হাইনা য়ুমলিংঙে।
৭২ অশাম বেন্তলাদগী জদুরাম কৌবা অমা লাকই। মাগী ঈনা (রারি লিবম) ময়ুম হাইনা য়ুমদারে।

গম্ভীরসিংগী হাক্তক

সনা হাক্তক অশিদা ব্রজদগী রাম দিলাগ, মথুরাদগী মাধোব রাইগ, মিয়ান লৈফমদগী রামানন্দগ লাকই।
৭৩ ধাকাগী লক্ষ্মিকান্ত লাকএ, মাগী ঈনা ললামুং তাবা অচর্য্য ময়ুম য়ুমলিংঙে।
৭৪ তখেন অগরতলাদগী নরাধন লাকএ, মাগী ঈনা (থাংমৈবন পনখা তাবা অনৌবম) হাইনা য়ুমলিংলে।
৭৫ গঙ্গাতিরদগী লাকপা নিরঞ্জনগী য়ুম (থাংমৈবন তাবা অনৌবম) য়ুম অমা।

চন্দ্রকৃত্তিগী হাক্তক

৭৬ নিংথৌ অশিগী সনা হাক্তক্তা রাইবেনিদগী কনহাইলাল লাকই। মাগী ঈদি এলাংবম লৈকাই তাবা (ব্রজবাশি ময়ুম) য়ুমদারে।

নরসিংহগী হাক্তক

৭৭ নিংথৌ অশিগী হাক্তক্তা সান্তিপুরদগী চন্দ্রাগোশামি কৌবা অমা লাকই। মানা অধিকারি ময়ুম চনু লৈয়া পান্নদুনা মাগী ঈনা (গোশাই ময়ুম) য়ুমদারে।

চন্দ্রকৃত্তি অমুক হন্না পানবদা

৭৮ রাধা কুন্দদগী শ্যাম শানৌরিকা কৌবা অমা লাকই। মাগী ঈনা উরিপোক তাবা (রাধা কুন্দবাশি ময়ুম) হাইনা য়ুমদারে।

চুরাচান্দগী হাক্তক

৭৯ রামনাথ কৌবা অমা লাকই। মানা সোরোকখাইবম চনু তোম্বী পান্নদুনা মাগী ঈনা (শগোলমাং উনুং তাবা অধিকারি ময়ুম) হাইনা লৈরে।
৮০ কলকতাগী লাকপা ময়াং ক্ষেবারি পেরে কৌবা অমা লাকই। মানা লাইরিকয়েংবম চনু পান্নদুনা লালজি লাকপা পোকই। মানা ঈশু (অধিকারি ময়ুম) ওইরে।
৮১ কলকতাদগী লাকপা মিয়ান ভোগোনবাবু কৌবা অমা লাকই। মানা লাইরিকয়েংবম চনু পান্নদুনা গোপালল্পকপা পোকই। মাগী ঈনা (চৌদ্রি ময়ুম) ওইরে।
৮২ কাশিদগী মিয়ান তেন্না কৌবা অমা লাকই। মানা ব্রহ্মচারি ময়ুমগী নিংঙোল পান্নদুনা মাগী ঈনা (বাসপতী ময়ুম) ওইরে।

চিংথংখোম্বনা রাখিবা

বাপু কোকপৈবু কন্নবা হোৎনবদা লাইশঙ মাঙোপ শাবিদুনা রাধা কৃষ্ণ লাৎহনবদগী মাগী ফত্তবা লমচৎপু থাদোকপা ঙমদদুনা মখা তানা চথবদগী লৈবাক্লা তান্নদুনা হাৎখিববু অবাবা ওইদুনা বাপু লৈঙম্বশিংবু ইস্তগী সেবা তৌ, বেদবু হৈনবা তম্মু হাইদুনা বাপুশিংবু লৈকন্নবা লাইশঙ শাবিদুনা লাৎহনবা হৌই।

মৈতৈ চৈরাওবা
চহি হৌবা

অইবা:

এল: মংলেম মৈতৈ
লাইরেঞ্জম ঔৱাং লৈকাই,
মেকোলা

রাহৌদোক

মৈতৈ লৈবাক য়েলহৌঙৈদগী চৎনবী মশাগী ওইবা অমা লৈজরকই। থোইদোকনা নকনবা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অমদগী পুরুবা রাইরুবা নত্তনা শিল্লমশিল্লোং গুনা লৈজব্রকপা লৈবাকনি। নুমিৎ ৩০নিনা থা অমা, থা ১২না চহি অমা, চহি অমদা তৌগদবা মথৌ, থা ১২দা তৌগদবা থবক, নুমিৎ ৩০নিদ্দা তৌগদবা মথৌ লোইনমক তোঙান তোঙান্না তাক্লুনা থনম্বা লৈবাকনি। লৈবাক অশিদা লৈবিরম্বা মাইচৌ ৩৬ অশিনা ফজবা কান্নগদবা পোত্তি লৌশিনবা য়াই হাইদুনা য়েক ৬কি পিবারেন নিংথৌগী নিংবগু থুংনবা হাইদুনা মৈতৈংু পিবারেনবু রাজ রাজশ্বর পঞ্চ যুক্তেশ্বর মহারাজ হাইনা মিঙ্গৌনববু পামজরব্বদগী মীয়ান মচাশিংনা খুরুম্নববু হরাওনা য়াখিববু পুয়াদা রাহৈ অশি কোলোম তাখি। থবান্দা অফ-ফত্ত য়েংনবা থম্বীরম্ববু মীয়ানগী পঞ্চক্ক মান্নে মখোইগী শিনা অশিনি ঐখোইগীনা অশিনি হাইদুনা মচাশিংবু খংনবা তাকপিরম্মী মখোই অশিনা লনাই রাগুর্বনি লৈবাক অশিগী হোংবা য়াররোইদবা থরদি নুমিৎ ৭নিগী মিং, থা ১২নিগী মমিং (কৌনরম্বা কৌনরিবা) থবান মখন অনি অশিনচিংবা খরা অশিদি হোংবা য়ারবোইদবা লৈবাক্কিনি। থা ১২গী অহানবা থা শজিবু থানি, থা অশিগী নোংমা পানবদগী চহি অমা হৌবনা লমদ থাগী থাশি নুমিত্তা চহি অমা ফাব্রে, মথঙ্গী শজিভু থাগী নোংমা পানবদগী অনৌবা চহি অমা শাবা হৌরনি অশুম্না ঙসি ফাওব্রা চৎনরি।

অশুম্না ওইরকপা চৎনবী অশিবু কাওদুনা শোইখিবা য়াই হাইদুনা লমদা থাগী নুমিত্তা পখংক্লোইশিংবু শগোল তোংহন্দুনা পিবা খুদিংনা শিন্দুনা শগোল পাওজেন চেন্দুনা চেপাও পাওজেল লৈতবনা (রেডিও, খবর) শগোলনা পাওজেল চেন্নরম্বনি। লাওরিবা মী অদুনা মখুত্তা চৈ ২দা ফিরান থেক্লুনা লাওদুনা চৎপা অশি তোক্লুনা খৃঃ ১৪৮৪দগী তোক্লুনা শকাব্দ ১৪০৬তগী চৈথোবা কৌদুনা হিয়াংলোন কৌবা নিপা অমনা মহুৎ শিন্দুনা হৌদোকখি। য়ুম্নাক লমদি খংজদবনা মপুগী মনাই হিয়াংলোন হাইনা অদুম থমজরগে। মতম অশি কিয়াম্বা নিংথৌ হাক্তকনি।

নোংইন ফাবগী হাক্তক্তা অঙোমগী নিংথৌনা উরিশেক অঙৌবা চিন্দুনা মমা ইবেম্মবু লংনরুবদগী লৈচিল মশক খংদবা থেৎলিবা লৈচু অদুদি নবুংঙো নিংথেমপীশক্তা মংকৎ ওইনা কৎখ্রবনি নঙ্গী লৈচিন ওইদ্রবনি হাইনা ঙাংন খুম্নখিববু শাওদুনা নারোন্দ মমা মচা হাৎখি। লমদাগী ২৭নি পানবদা থোকখিবা থৌদোকনি, থৌদোক অশিনা মরম ওইদুনা মতম চানা নোংমা পানবদা চৈ থাবগী থৌরম পাংথোকপা ঙমহৌদদুনা চৈত্রগী অরোইবা তারিক শুব চড়ক পুজাদা হাইবদি চহি অদুগী শজিভুগী ২৭নি পানবা নুমিত্তা চৈথাবগী থৌরম পাংথোকখি। শকাব্দ ১৪৪৮দা নৌনা চৈথাবোন চনখি। চৈ পাইদ[illegible] লাওরম্বা, তোকখ্রগা চৈথাবনা মতুং শিনখিবনি নুমিৎ মশি শজিভুগী নোংম[illegible] পানবদা চৈই খুদঙ্গী পাংথোক্নুনা চহি হৌগদবনি। মশি লৈবাক [illegible] [illegible] ত্রোংবা যদ্রবা থৌরম্নি।

[illegible]

[illegible]

চৈরাওবা

